মালেম লৈচল্

(বাল্লী মচা)

মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ (মসা) খোৱাল. ।

৪/২/৯৫ থাংজ ১বা মশীং ২ শুব চহী

মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ (মশা) খোৱাই.

সম্পাদক :

য়ুগেশ্বর

সহ-সম্পাদক :

লৈশাং বীর

বিদ্যা

মেঙ্গোর

রঘুমনি

প্রমোদিনি

ৱার্মসংদ :

ওজা ইবুংঙো নুংশিবা
লৈরুয়বম্বি নাঃক্কা
ঐখোইগী ইরুক্ত
ওসি ফাওব,
উজাঃমগনি মহল মখোংগী
সাহিত্য লৈচন,
নখুংমক্কা শেম্নীবা।
চিংখৎশিরমগনি ঐখোইবু
সাহিত্যগী চীংদোন লোয়া।
উদবা মপা লাক
থংদবা মনী তম
কংচরি নখুরাদ 'যালেম লৈচন'
নীংশিংজবগী লাওমদা হাংদুনা।
মিথক্কে শান্তিবিরকউকো
থমনুং লৈবাকতুদগী —।

বীর

৪/২/৯৫ থাংজ ১ বা মশীং ২ শুব চহী

মণিপুরী সাহিত্য পারিষদ (মশা) থোবাল

সম্পাদক :

যুগেশ্বর

সহ-সম্পাদক :

লৈশাং বীর

বিদ্যা

মেঞ্জোর

রঘুমনি

প্রমোদিনি

ফোংদোকপ : মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ (মশা) থৌবাল।

নুমিৎ : থাংজ, ফাইরেল ৫ নি পাম্ব তাং ৪/২/৯৫ ইং

মশীং : ১০১০।

নম্ফম : ব্রি, আর, প্রেস, থৌবাল অচৌব।

মমল : রুপা ২৫/-

ফংফম : মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ইম্ফাল, মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ (মশা) থৌবাল অমসুং অতৈ লাইরিক য়োম্ব দুকানশিং।

ফোংজবগী মরম

মনিপুরী সাহিত্য পরিষদ থৌবাল মশা অসি শোক ১৯৯৪ ইংগী জানুৱারী তাং ১৬ তা মনিপুরী সাহিত্য পরিষদ ইম্ফালগী অখং-অহৈশিং অমদি তোমথিন ওইরবা কবিশিংগী লমজিং মখাদা লিংখৎখি। নুমিৎ অসিমক্তদা লমদম অসিগী পুবচেন চাওরবা নহারোলশিংনা মশা অসি লিংখৎনবা অৱাবা থৌদাং কয়া লৌবিখি। চহি অসিমক্তদা মশা অসিনা রামসিং মেমোরিএল লেকচর, কবি সম্মেলন, অমসুং লাইরিক্কী মেলা পাংথোকখি। লাইবক থীবদি লমদম অসিদা সাহিত্যবু নুংশিবীবা মীওই য়াম্না উবা ফংজদে। খর লৈজরিবা অসিসু লমজিংবিনবা লৈতবদগী কনানসু মশক খংবিদে। মনিপুরগী শক্লাইরবা কবিশিংগা খুৎশম্নদুনা চৎমিন্নরগা লমদম অসিগী নহারোল অইবশিংসিগী ৱাখল অসি মকা ফন্না শাৎকাইরকতুনা মনিপুরী সাহিত্যগী লৈকোন্দা লৈশাৎ তমজবা ওমজগদ্রা হায়বা ৱাখল অসিনা অকন্না থৌইনশিন ওইদুনা ফোংদোকচবনি।

অঙাংনা মৈ কীদবগুম নৌরিবা অইবশিং অসিনা মৈতৈ সাহিত্য চাওখৎহন্নিংবগী থাংজিনলকলিবা খোংথাংসি থাগৎতবা ওমজদে। অরাইবনা হায়জনিংবদি শ্রীযুগেশ্বর সম্পাদক অমদি *B. R. Press* কী মতেং য়াওরমদ্রবদি পুথোকচবা ওমগলোই। শিংঙমদ্রবা লম্নন অমা তোনশিজরে।

লৈশাং বীর,
প্রসিদেন্ত

স্নাওরিবশিং :

খনগৎলব ৱারি মচা ১০ না মপুং ওইব মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, (মশা) খৌবালগী অহাম্ব চহিগী খুদোল মীয়াম মাংদ পুথোকচরি। শেল-থুমগী ফিবম ফত্তবন মরম ওইদুন লাইরিক অসি (Vclume) চাওনা ফোংব ঙম্মখিদবনি। অঙাংশিং লাইরিক তাকপি তম্বীবদগী খরদং ফংহনকপ দৈশাগী মতেংন লাইরিক মচা'সি পুথোকচবনি। লমদমসিদ হৈব অইব অইবীশিংগী পুক্নিংগী ৱারোল, খরদং মীয়াম, মাংদ পুথোকপ ঙমজবসি য়াম্ম নুংঙাইজে।

সাহিত্যবু নুংশিবিব কনাগুম্ব মীওইশিংন লাইরিকসিগ লোইনবীবদ মিকুপ, খরদং অৱা নুংঙাই শরুক য়াবীব ঙম্ব থোক্লবদি হোৎনজবগী মহৈ য়াম্লে খঞে।

যুগেশ্বর,

সম্পাদক।

চেক্লা পাইখ্রবদা

লোইতোংবম রতনকুমার মঙাং
তাং ২-৮-৯৩ ইং।

হয়েংদি য়াওশংনি।

হয়েংগীদং খনবদা ঙসি হরাও-নুংঙাইবা য়াওবসু কোঙাইনি। ১৪ নি পাম্বা থাজংস ওস্থোক্না নিংখীখ্রে, করিগীনো? ১৪ নি পাম্বা থাজদগী হেন্না নিংখিবা পুনিমা হায়বা অমা হয়েং লাক্কদৌরি হায়বগী ওয়নি ঙসি অসিনা অসুক য়াম্না নিংথিরিবস। মসিসু মাহৌশা লাইরেম্বীগী মতিক ময়াইননি।

মপ্লিংঙদগীনি হয়েংগীনি হায়দুনা ইমাহবা কয়াগা পুন্নলুবা, মুমদা পোথারগে হাইদুবা হনজিন্নকপনি অদুবু মমাগী মথাদা ওইনজবা ফংদ্রবা ইচা অনিদুনা ঐগী ইফমদা ওইনদনা কনাদা ওইনরুগনি।

"ববা ঐগী ফুরিৎ ফজবা লৈবিয়ু, খোংগ্রাউসু খোংউপসু অদুগা ননাউগীসু ... ... লৈবিয়ু। হয়েং ব্রাংবন মমাখোয়দা ননাউ ইবানি য়াউশংগী নাকথেং চৎতোইনি।

ইচানুপা অহনদু ময়া ইখি খিগৎলগা ইনজল অসিদা কোন্নদুনা হায়রকই। " করীগী লৈবিরোইদগে ফজবদা লৈগদৌরিবনি নংগীসু ননাওগীসু। অদুগা করিগী ব্রাংবন মামোখোয়দা চৎলুগনি? ববা লৈরিবসিদি, হবনা পৈশা পিগনি ইচাগীবু ব্রাৎপা য়াব্রো? চৎলো লাইরিক পাথোকজুরো ববা ফিরোল লৈরুরগে ইচাগী। ওহ! ওস্থোকপনি! মীওইবগী যুম্মানবগী পুনসি

হায়বসিবু অসিনা ? অসিগুম্বা তমখিরবা চৈনা কয়াসে ফংগনি খংলম্বদী করিগী লম্বী অসিদা কুমথরকগনি। পীক্লিংঙদা কেথোক মৌথোক্লা ইমাগী মথাদা ঐনা কন্নাদা ওইনজখিবা অদুগা হৌজিক্লা শিক্লিবা ইচাশিং অসিনা মমাগী মথাদা ওইনজবা হায়বদা ফংদ্রবনিদকো ! হে ঈশ্বর চৈনা কয়া অসিনা কোকত্রিগামখিদ্রী। ঐনা নহাকপুদি ৱারৌদবা ঙম্রোই। পংথেং থেংবা মতমদী নপ্রি অমুক্কী পুং মাগল মুক্তী তারম্গনি। অঙাং অনিদুনা চাক চাগে হায়দুনা ময়মথবদা মঙাইরি মথাথংবগী খুরা তোমাংদো চুপ্পী তাহমদা লেংতুনা খংকৌ হেক কৌরকই।

— "ৱোয়াই, হো ৱোয়াই—লৈতবজাৎলনে ?

"করি ভাকপীগদবনো খুরা লৈয়ে।"

" হায় লাউনেহে থোরকউনে ৱারি তমৎতা শাশীনে ওস্থোবপা হায়বদুনি, চাক চথোমদু থাধরে অদুগা থোরকই,

" করি তৌসিংগে খুরা ? "

" সিনি, নংবু বজার চংচৌবদগা হায়গৎকেদবা লৈবরা ঙসিসিবু ? "

" হায়গৎনবা হায়দুনা চাক চাগে তৌরম্বদা ঙাইরম্বিবনি করি তৌরবগে অদুক য়াম্না তহা তহারিবা ? "

"সুম তৌবনে নচানুপা অহল অসিগা হৌমিংবা ঐগী অঙাংদু হয়েং স্লাইশংনি ফুরিৎ লৈবিদে হায়দনা মমাদা মশমবু ফোংবও অমুকতোইবা লোইহৌরে। নংনা ইস্কাল চৎলবদি ফুরিৎ অমত্তা লৈরকউ, ফজ ফজৎবা ইয়াদ য়াই চপ চারগা লোইরে। ঐ চৎপা য়াবনি অদুদা নমাখোকতু মশা ঙমদদুনা হৈবদুদা খাদোকপা ঙমদ্রে। সে - লুপা চাম্নসে অসিনা কোংবা অমা হেক্তা লৈরকউ। অসি হায়রগা ফিজিদগী চাম্না চৎপী তমা নৌথোরকই।

মংলেম কৈচম—২

" হোয় হোয় খুরা লৈজরক্কে ঐসু চৎকে হায়দুনা চাক চাগে তৌরম্বতা মঙাইরি ।"

তাঙ্গাসিদা অঙাং অতোম্বদু শিরগে মতাঙম কয়া হেক কপখৎলকই । খুরা তোমালদু চৎলগে হায়রম্মগা থোকখ্রে । খু-কপ অদুদা পাখৎতুনা চেনশিল্লুবদগী মোরোক চাকুরবা মাল্লে । মতিল অর-অর তাদুনা ওন থোইদুনা লৈরম্মে । অঙাং-দুগী মনাক্তা অম্মুক চংলুবা তৌদনা য়েংখ্রা তম্মা চেম্বোর-ক্কে । লাংথে, মহোল অমা'নি তাপ-তাপ থৎতুনা শুরগা মহি পীথক্কে । মোরোক শাবা ফখ্রে, অঙাং কপ্পা তোবখ্রে । ইবুংঙো অচৌবদা ভাঙাং শিন্নরম্মগা ইম্ফাল তম্মা হায়গৎলক্কে ।

বিঃ তিঃ রোডনি । মমন অয়াম্বা ফিজোলসু লৈবা ঙম্লরোই খনদুনা অহোংবা থীদুনা ফজ-ফজবা খল্লি । মসিনা মফজরে খনদুনা ফুরিৎ অমা খল্লি মতমদুদা ইথা থাজদনা খোঞ্জেল অমখক, খোঞ্জেল অসিমক ঐ মমাংদা কয়ারক তাখ্রবনি " সোমদা অম্মুক্তা থোকপিরকউবা ।" ঐনা তুংদা ওম্বোকন্নবা মতমদদী ভৈরবীগী শক্তম লৌরদুনা মহাক অদো ইমাংদা ইচাউ চাউনা লেপতুনা লৈরম্মে । খংহৌদে ঐগী কোকথক্তা ব্রজ সিশিং লিশিং তারকখি । ঐ তৌফম খঙখিদে, মিৎ অনিসি থস্কম খংখিদে, খংহৌদনা চিম্বাল অসিদগী থোকখি " করিনো, করি পাম্মী ? মহাক মমায়দু নোনখংপো ঙমখিদে হায়রকই, " সোমদা অম্মুক্তা থোকপিরকখো', মী তারবদী ফজদে " ঐসু মহাক্কী মতুং ইন্দুনা অদুম থোরক্কে ।

ময়াং হোটেল মনুংদনি । ঐদি খমদুনা লৈরিবা অশাদা মুর্তি তুম অদুমক পংশিন্দুনা লেরে । নোনখৎলকপা মতমদদী চা অমদুং চানবা অচাপোৎশিং লৈরম্মে ।

মথা তারকই,

" ঐ নকমদা য়াম্না লানখ্রে, অদুতদী নহাক্না ঙাকপিরমউ ।

হয়েং শীরবদি মৈ কৌবা দেবতানা ঐবু খক লৌশিনৰীররোই ”

“ নহাক্তী নরান লৈতেনা। লৈরীবদী ঐনি। তুংগী ফিরেপ খুংদবনা নহাকপু অৱাহদা তাহললুরীবা ঐসিনি লাহিহদি। ”

“ নত্তে ঐবু অমুক ব্রাহনৰীরগনু ঐনা হায়জবা অসিতংদি য়াবীয়ু। ”

“ ঐনা নংবু ব্রাহনবা ! হৌজিক ফাওবা নংগী পেন্দবা ইফমদা লৈরী; অসি নন্রা ? হায়য়ু ঐগী ইফমদা লৈরিবা নহাক্কী পেন্দবদো। ”

“ করিসু লৈবা ব্রাযমবুদী নত্তে, পুম্নক নহাক্না ওয়া থবক ভাক্তনি, সীনি ঐ .... অঙাং অনীদু অমুক্তা উনজগ, নহাক্কী য়ুমদা চংলকপা য়ারোইদ্রা ? ইচা অনীদো মরাইবক খীরবনি। ঐ ইচাগী মশক উনিংদনা লাংতক্লরে। ঐঙোন্দা অয়াবা অদুতংদী পীনবীয়ু। ”

“ অঙকপনি ঐ নংবু থাগৎতবা ঙমদে, হৌজিক ফাউবা নহাক নচাগী নুংশিবগী প্রেম লৈরী। ঐ নহাক্কী নফমদা ইচাগী শক উৎনিংই অদুবু ইচাগী ব্রাহং চাম্না চাম্মদি ঐ পাউখুম পীবা ঙম্লরোই অদুগীসু মথক্তা নংদী............ নংদি শাগে হোংগ্রবীনি। ননা নচা উনবা লাকপা হায়বসে মুন্না খনন্নু লৈকায় মিনোক চাউবনি। হৌজিক ঐ নংবু অঙাং অসিগী মমানি খন্দ্র নহাক ঐগী ইচননি হায়না খল্লে। ”

“ তদু ওইরগা করিগী ভঙাংশিং অসি ঐগা উম্নবা য়ারোইদৌরিবনো ? ”

“ ঐ কোক ভাউরে, নহাক নচা উনবা শুকয়া য়ারোই—ঐনা অথিংবা থম্নিবসিনি। য়াগনি উনবা, হয়েং অঙাং অসিগী লুহোংবা মতম, নং ঐনা চহি য়াম্না শুরকপা মতমদা।

হৌজিক্তি নং ঐ চহি কুনথরা শুদ্রিবা ভাক্তনি ঐ চৎলগে নংগা ঐগা হৌজিক মরী অমৎতা লৈনদে অদুনা নংগা লৈমিন্নবা ঐ কী।"

"ফরে নহাক্না অদুমক খল্লবদী ঐ নহাক্কী নফমদা তায়েৎপা অমুক হন্না পীররোই অদুবু নহাক্না হায়খিবগুম ঐসে নচননি খল্লবদী হাকম অসিমতং য়াৰীবু, হায়েং য়াউশংনি অভাং অনীদুগী ঝীজোল অদুমতংদী ঐ লৈজরম্লগে।

"য়ারে নহাক্না খঙ্গীবা অদুতংদি পাংথোকচোরো" ঐ মুক হৌগৎলী, ঐনা হৌগৎপনা মানা ঐগী খুদাং ভাগ পাইরকই। ঐনা পাখৎনা খংয়েং য়েংথোকলুই, নোকফেৎ তৌনা হায়রকই, "চা অসিতংদি থকপীয়ো।" ঐ থকনিংদ্রে চাক চারগা লাকপদা ভাইহি।"

ঐ হোত্তেনগী মপাক্না ফমদুনা লৈ, নিংশিংরকই শজিবু লৈরাউবা নুমিৎতা লাই পুরক্না চৎপদা হাপোক চীংগী চিংতক্না নহাদেবা থুরুম্না খোরকপদা ঐনা মাগী হৌহিদা বাফোই য়াতা মনবী য়াতাদু পুখোক্লগা পুটি পাদুনা নোকখিবাদা হৌজিক্তা নিংশিংরকই, মানা নোবযেৎ তৌরকপা মীবুপতা।

লম্ফাংনবা রাখলশিংনা ওহাক তুমহলন্নুরবা মাল্লে। মহাক্কী খোজেল্লদুনা ঐবু মীকপ থোকহল্লে। মমাংদা তম্নক অনিরক কৌপ্রবজাৎনি। ঐগী ইত্তৌদুদা মহাক নরি খঙমগ-দবনো খংদে। মহাক্না মচাগীদমক তপাম্না খন খন্দুনা লৈরে। ফিরোলশিং অদু প্লাসতিক অমদা হাপচিল্লগা ঐভোন্দা পীরকই। ঐ চৎলগে ফাউবা হায়রমদনা খোংলৈ থুনা লাক্লে।

বস তোংখৎলে, য়াংনা চেল্লে, শোরোক মপানগী ভশংবা পাম্নীশিং উরুবন হাখল অসে ইয়াং য়াংই, ইহাং হাংই। অকাউবা অমা হৌবগুম তৌই। অদুবু নিংশিংবা ওমদ্রে। পাম্নীশিং উরুরগা বাখলসে ইংনৌতা নৌরকই মহাক্না ঐগী ইনাক্তা লেংদনা লৈরম্নবদী ঐখোয় অনী চৎতুনা হরাউ হরাউ নোকনিন্দুনা ইচাগী ফিরোলশিং তসে লৈবিরমগদবনিচকো।

অদুবু অঙকপনি নুপী ওইবী ! মচা অনি লৈরবা ফাউবা য়াংল লৈয়া ওমদবা অরংবতা পাম্বা, মসিবু নুপী খুদিংমক্কী ওইরবা জাৎলনে ?

ঐনা নাকপা উবদা ইচা অনীদো থোঙ্গাল তম্না চেংথোরকই। ঐনা নাকল নাকল পম্নদুনা হুমদা চংলক্লে। থিরোলশিং অদু শেৎচিনরক্নুনা হায়রকই,

" ববা ঐগীসে মজন্না ? "

" ফজা ফাজ ইচাগী ফাজ "

মগানা কৌরক্লিবাসে হায়দুনা কেংখোবক্নবা মকুচদি খুরা তোমালদু মুন তম্না চংলকই অমসুং নিংশিংলকই। খুরা তোমানগী মচাগী মীতোল।

ইচা অহন্দ ইমুংদা পল্লব পরব থাংজিল্ল অদুগা ইচাগা ফিরোল অদু চৌথোকপীরে অদুগা খুরা তোমাদা শাখ্রে খুরানা পীরকপা মুপা চাম্নদুগা —। ঐগী ইচৌদু উরগা খুরানা,

" করিনো বোয়াই নংনা চৌরিবসিবো ? লৈ সে করি চৌবগী শেগাসি অমুক হঙ্ক্রিবানো ? মুপা চাম্নিনসু ইচাগী ফিরোল লৈবা কোনচামাই খুরা লোইনা থংই। ঐ তমুক চপচিনকখিনি।" " নংতে নংতে খুরা, খুরানা লান্না উবিরে, ঐনা খুরাগী ইচাদুবু নুংশিদুনা চৌজনি।" " অদু ওইরবসু য়াদে লৌসে অসি হায়রগা শেশা অদু পীরম্নগা থোকখ্রে। মতোন্দা অমুক য়েংনুদ্রে পেরি পেরি লৈরিবা ইচাদুবু চেৎনা কোলনুরে অদুগা,

" ববা লৈরিবসিদি ইচাগীবু য়াৎপ্রো ' হয়েং অমুক ঙম্না ইপা ইচা ফিরোল লৈবা চৎকদবনি, সে কপকনু। তঙাং তঙাংলবা চিম্নালনা পেরি পেরি হায়রকই, ' ববা হয়েং শোয়দনা লৈবিয়ুকো।"

" মপুং ফাদবা সংসার অমগী মফম "

সুরমা দেবী

১৯৯৩ এপ্রীল হৌগৎলকপগী অহুক ।

ভরানী কাদা, য়ুমদগী পুরকপা পোৎচৈশিংদু লোইখিদ্রী ।

" চেচ ! "

মোংজিনপাদা চহি ১৪/১৫ গী নুপীমচা অমনা চহি ১০/১২ গী নুপামচা অমা মথক্ত শমলপা লেপদুনা লৈরম্মী ।

" এখোয় চেংলো ঙাকপীয়ু হায়রগে হায়দুনা লাকখীবনি "

" করিগীনো ? "

ঐ তাম তারকাই, ওরাং নুংথিলগী খোঁদোকতুগী, মখোয় অনিদা য়েংলগা ঙক্ক হংলুই —

" নখোয় অনিরা ? অদুক চাওরগা অদুক লম হেন্নবি করিগীনো "

" ঐদি য়াওদে "

নুপীমচাদুগী মায়খোংদু ইকায়বনা ঙাংশিন্নে ।

" কেনে, মতুংদি লাদুম তৌনুকো । "

মাগী ৱাদু থাজদদুনা হায়রুই — । মশা কনবা অশীগুম্বা ৱাশি নুপীমচা নুপামচাশিংনা হেক হেক শীজিনৈ, অদুনা হায়রকপনী ।

" নত্তে ! "

নুপীমচাদুনা মমিৎতু ইরাও লাওনা পাংলগা মথা তারকই —

" মা ঐগী ইপৱানী, মাগী ওইনা ঙাকপীনৱ হায়জরুসো হায়না ককানা হায়বদগী লাকপনী । ইন্দোমচানসু ফনা য়াম্না ফুবীরবনী — । "

" ফরে, ফরে, চৎলো "

ঐনা লকক তৌরগা অমুক হংই

" ঙাইখো নখোয় অনীদি করি করি নমিং কৌই ? "

" মাগীনা কৃষ্ণানন্দ, "

খজিত্তং ইকায়না—

" ঐগীনা রূপবতি । "

" কৃষ্ণানন্দ । "

ঐনা নুপামচাদুদা য়েংলগা হায়—

" নঙ মতুংদি অদুমনা লম হেননুকো । "

ঐগী ব্রাদু তাদে হায়বা খংই মরমদি মহাক অয়েকপা উচেক অমা থেৎলিবদুদা মুম্রা য়েংলি । মতুংদা মখুৎ খীন্নগা হায়রকই—

" মসি লৌগে ? "

ঐনা ব্রা খুম্রা নঙদ্রিঙৈদা মচেনা চিংদুনা পুনবা হোৎনৈ । মচেদগী মখুৎ নানথোরকলগা চেনশিনখিদুন লায়দু তাপ পাইখ্রে । নুপীমচাদু ইকায়রে হায়বা খংদুনা ঐনা হায়—

" লৌজরো । "

মচেদুদী ঐগী ব্রাদু তারবসু লমহেন্ন মনাও অদুবু শাওনীংদুনা ইকায়বোই করিবোই মখুৎ চিংলগা লাইদু থমলম্নবা হয়া হয়া হায় । অদুবু নুপামচাদুনা অঙকপা থৌদৌ অমা তৌথোরকলে, লাইদু গুরু গুরু নৈশিন্দুনা শেগাইখ্রে । মচেদুগী ইকায়বা মায়থোংদু উবদা ঐনা হায়রুই —

" শেগায়জরসনু । চৎলো কৃষ্ণানন্দ, য়ুমদা লাইরিক পারুরো । "

" চেচে, মাদি ময়ামগা মান্নদবনী । "

নুমিৎত্রুম্নদুমদি অঙাংদুতা মীংশিংদুনা লৈ । য়েংবদদি অঙাংদু নোরমেল ওইবা অঙাং অমমত্মী । মশক ফজে, তৌথোরকপা থবকশিংদুগা গুকচা চাশিনদে ।

ঐ ওরাংদা ইনৌ নৌনা মফমশিদা লাকপনী । নুমিৎ তারমদাইদু বাথ-রুমদগী থোরকপদা ঐগী কাদু ঈশিং বকেটতুমা লোয়না হৈদোকতুনা ঈশিংন পুমতাও তাউরম্মী । মাহা ফিরোলশিংসু চিংথরগা নমশিন্দুন থমজম্মী । কাদুদ কোয়য়েং য়েংবদা কনাসু উরমদে । হেক লাকপগা থোকজীবা থৌদৌদু উবদা শাওনিংমন্দুনা য়ুমবুদা বাকৎলুই ।

নুংথিল নুমিদাংবাইরমদু চৌক্ৰীদা কৃষ্ণনা লাইক্লিক পারমদগী ঙসাইগী অঙাংদু থংনিং নীংশিংলকতুনা মখোয়গী স্নুমলোমদা য়েংশীনলুই। ঐগী থোংনাঙদুদগী মখোয়গী ক্লুমদু য়াম্না লায়না উবা ফংই। মী অমতা লৈবা উদে। কোইয়েং য়েংবদা গাড়ীগী গেরেজ মরুমদা মী অমা লৈ হায়বা খংলে। কুইনা য়েংদুনা লৈরুই, নুপামচাদু ওইরমগনী খল্দুনা। অহৌব খোজেল অমনা ঐবু থংপ্রেক থংহন্নকই। খোজেল তাবা মাইঁবদ য়েংখোকলুবদা নুপামচাদু ক্লুমদুগী শীক্লিদা লেপতুনা লৈরম্মী। মনাক্তা প্লেত অমগা অচাপোৎ থর পুমচাই চাইদুনা লৈ। মৌনহা অমা থোরকতুনা অঙংদুদা করি করিনো খর ঙাংলম-লগা চাইথাইবা পোৎশিংদু খুজিল্লগা ইমুংদা চংখ্রে। অদুবু নুপামচাদুদি লেপতুনা লৈহৌরি। মমাই লৈথোরকপদা ঐগা মাইয়োকনৈ। ঐনা খুৎ খৎলগা লাকউ হায়দুনা কৌই। মাদি য়েংদমক য়েংদুনা লৈ। হন্ন-হন্না ঐনা কৌবদগী থোংজিল-পান্দা চংলকতুনা লেপলরে।

"হেল্লো কৃষ্ণানন্দ : চংলকউ, কম-ইন।"

ঐনা হৌগৎলগা মখুৎ পায়দুনা চিংশিন্নী অদুগ হায় —

"ঐখোয় অনি মরুপ ওইসি, মাত্রা? চিদা নুংছিগী লাকউ, ঐগী মিং সুমন কৌই।"

চৌক্লিদা কৃষ্ণনগা চা শেমদুনা পী, মতুংদ মথা হাই —

"নঙোন্দা হৌজিক ঙাংলিদু ইন্দোমচা ওইরিনীনে, কৃষ্ণ?"

থংহৌদনা চাগী কপতু লাকতুনা লংখোকখ্রে অদুগা কৃষ্ণ হৌগৎতুনা চংকদবগী তৌই। ঐনা ফাদুনা খেন্মী —

"কৈদৌরে কৃষ্ণা, ফম্মু অমুক্তা ফম্মু।"

ঐবু খাক্কু কম্না ইনথোরকই, ফকলাংদ লোংনা য়্যেশিন্দুনা তুই হৌগৎলগা অমুক্তং মাবু য়েংলুই। মমিৎতু ঙাংশং ঙাংনা য়েংলকই, অঙাংমক ওইরসু মাগী হ্রিৎয়েংদু তু চুংই। মতুংদা তেকলদগী লাইরিকতু লাকতুনা লংশিন্নকই —

" হুম কৃষ্ণা ! "

অসিদমক হাররমলগা হৌদুনা চেনখ্রে।

মথংগী নুমিৎতুসু মাবু খুৎ খৎলগা কৌই। চংলকতুনা ভান ভানা ফমলৈ।

" সুমন নও করি তম্মী? ঐদি শৈরেং লোয়না ফারে। "

" ঐদি, ঐখোয়না লৈরিবা পৃথিবীগী হৌরকপা, পৃথিবীগী পোৎচং, পৃথিবীগী হেক লৈরিবা লৈশেমগী মরম থুদিংমক অদুদসু নত্তনা অতৈ কয়া'ম তম্মী। অদু নওদি শৈরেং য়াম' ফারে হায়, ঐ অমত্তা তাগেদনা। "

মাগী তুমিন লৈবদুদা ঐন হন্নক হায় -

" তাহন্নীংদবরো ? "

" থীগে। "

ঐঙোন্দ ওনশিন্নগা হংলকই -

" করম্ব শৈরেং ? "

" ঐদি খংদে, ঐগী কৃষ্ণানা পাম্ব শৈরেং অম হেক্তা। "

ঐগী কয়াদা অশোয়বনো? কৃষ্ণানন্দগী মমিৎ অনিদু লংখৎলম্মী অদুগা মখুৎনা মনাদ কম মেনশিন্নগা মমিৎ ঊইশিনখিরম্মী।

" মহি অসি অমুক! ঐগী নাকোংসি পংঙ্গসনু। "

" ইমানা নোংমতসু মঙোন্দ অসুম্মা কৌদবরা ? "

রাহংসিনা অমুক্ত হেম্ব ঐগী অশোয়বনী। মনাকোং মেরূ মখুৎ অনিদুনা ঐগী শম পুম্নমক পাইশিন্দুনা চিংলম্মী।

" নাউবী। "

অম্মাকপা মীকৌদুগা লোয়ননা রুপবতি ইমাংদ লেপহ্রে। কৃষ্ণানন্দবু ঐঙোন্দগী থাদোকহল্লবা তুংদা মাম্ব কপখোহ্রকলে। কৃষ্ণানন্দ মপান্দা চেনখোকখ্রে।

" করিগী কপজীবনো ? "

কৃষ্ণানন্দদা " কৃষ্ণ " হায়না কৌরুবদা শাওরকখিবদু নিংশিংলকই। " মাবু কৃষ্ণা হায়না কৌবদা অশোয়বা করি লৈবগে? মহাক্তা কৌহ্নীংদম্মাকে। "

" ববানা কৌরম্মী "

মাগী মথজায়দ মগী মরী মরী চেম্বরকই। " ইমা-ববাবু নীংশিংহন্নসি মতোম্দ য়াম্না মুদোংথী। ববানা ইমাবু হাৎখিবদো মমিৎমক্লা উহৌই, অদুদগী মাগী থাথংগ চোইখি। ববা জেংদা লৈব্রে, চহি অহম হৌব্রে। "

ইশেং শেংনা হায়দোরকই। করিগী হাৎলিবনো হংনিংই অদুবু হংব ওমব্রে, তুমিন্ন মংঙোম্দ য়েংই।

" মু ঙাওব, নিশাদ লাইচুরবা মীনা মচা নুংশিবা থংদে, নুপী নুংশিবা হৈতে, শেল ফংদবদগী ইমাবু —"

মখুৎ অনিনা মমাই খুমজিন্দুনা কপথোরকলে। মাবু খেমদা ঐগী মিৎতসু পী চেম্বরকলে।

কোয়থি খিবদ কৃষ্ণানন্দ মমগী অমম্বা কাচিন অমদা লোৎতুন লৈরম্মী। ঐঙোম্দ অরাওবা মমিৎতু চাগদবত্তম য়েংলকই। মনাক্তা তপ্না চংলগা হায় —

" ঐ লায়ে কৃষ্ণানন্দ লাকও খোরকও, আই'ম রিএমী সোরী। "

" ঐবু শাওহন্নবা নঙনা হেক হেক তৌই। মীয়াম্না নঙবু তুক্কচহনদু নও পামব্রা? নঙনা মী খুদিংগী থারী শাবা হৌই। অকবা মী অমা ওইগে হায়রদি অবদমক অও, থা অংগনু। "

য়ম্না তাব অবা অহন অমতম ঐঙোম্দা পাউতাক পীরম্মী। মানা ঙাংলিবদো মরী ইরৈ লৈনদ্রবসু অরায়দি থাওমে। মবু মুম লেংলম্মী অমুগা চীংশিন্দুনা কোনশিনম্মী।

" মুমন! "

কৃষ্ণানন্দগী খোজেংনী। পায়রবা লাইরিকতু খুমজিন্দুনা য়েংখোকন্নুবদ থোংজিলদা লেপলম্মী। মখুৎ অনিদু ফুংদা প্লোৎলি। করিনোমা পায় হায়বা থংদুনা হায় —

" করি লোৎলিবনো ? "

চে মচেৎ অমা পায়রগা চংশিন্নকই অদুগা তুংদা লেপলগা চেদু ঐগী মাত্তোম মরাদা থাংজিল্লকই, অয়েকপা শিনরীমি। মথুৎ খিন্ন খিন্নগা তাকই – " অমুব চীং, অঙাংবা নুমিৎ, শংবাম্নবা তুরেল, অশংবা উপাম্নী। " " বা। নঙদি তাক্কাওবা চিত্রকারনীদিনা। কয়াদ ফজরিবনো ? " " নুমিৎ চুপ্প'ম য়েকপা হোৎনবদা ঐ কয়াম হায়। " ঐনা থাগৎপগী নুঙাইখনা মাবু পেন্সহন্না নত্তে অদুবু মহাক কয়াম নুংঙাইজবগে হায়বদু মাগী মায়থোংদু উবদা খংই। লাইদু মশামক্তা মুম্ন য়েংলগা হায়্যরকই — " ঐনা মসি য়েকপদা করি হল্লি খংব্রা সুমন ? অহীংব অপাইবা উচেক, অহৌবা উপাম্নী, অরংব অঙাংবা নুমিৎ, অচেম্বা তুরেল, মদুমক। অদুবু মসিদি করিমত্তা মাদে। "

" নত্তে নাওবী। "

রূপবতিনা কৌবগুম নাউবী কৌবনা হেন্ন ঐঙোন্দ নুংঙাই।

" মসি তশেংনা অশেংমককুন্নী। মমাংঙৈদ উখিবা অয়েকপা পুম্নমক্তগী মসিনা ইহেল হেল্লি " " ঐগী খল্লাইদগী ফজব লাইনী মসিনা। অদুবু ঐ খংই, মসি মপুংদি ফাদে। "

" তশেংনা ফাই। "

" নত্তে, ওকক্তা ফাদে। সংসারদা মপুংফাবা পোৎ অমত লৈত্তে অদুবু নঙোন্দা লোইনা মপুং ফাই, মসিমা ঐগী লাইশি ফজৎলীবনী। "

অঙকপা তাম্নী, অতক মুম, অতক চুম্না তা মঙোপ্পগী কমামা আশা তৌরপদগে ? লাইদু ঐনা লৌরগা ঐগী কাদা থৈৎলগী।

১৯৯৪/ফেব্রুয়ারী ২৬।

ঐগী কোর্স লোইরদুনা মুমদা চৎনবা ফিরোল পোৎচে লোয়শিল্লী। মী লাকখিবগী খোঙেল অমা তাখি। অদুবু পোৎচে লোইশিন্নদা থল্লাই য়াওশিন্দুনা তাইহাক কাওথোকলুই।

পোৎ অমা খিবগী মায় নৈথোক্লকপদা কৃষ্ণানন্দ লেপতুনা লৈরম্মী। মা ঙাংদে, মমিৎতি য়েংলকই। ঐনা কৌরুই —

" এ, ! নাউবী, ক্ষম্মুদনা। ঐ পোৎ লোইশিনখিগে অদুগা নঙগী কৈনো'ম পীদোইনী। "

" অমুক লাকলরোইদ্রো ? "

ঐগী মাদু ইতা তাদনা হংলকই। করিগীনো খংদে মাহংদু তাবদা পী খংতা তারকই। ৎসাইদসু অঙাং অহল মরুপ মপাং কয়ানা হংলমলবা মাহংনি। মতমদুদদি অদুক য়াম্না কপনীংবা পোকখিদে। " তম্ব লোইরে। হয়েং নোংমা শোয়দনা লাক্কনী। " রুপবতিসু চংলকতুনা ঐগী পোৎ লোইশিন্নদু মতেং পাংলরে। কমদৌনা ঐগী পুল্সিদ মখোয়বু চংলকখিবা অদুগা অমুক করিগী কায়নগদৌরীবা ?

" চেচে, নোয়গী মুমদো য়াম' লাপপ্রা ? ঐখোয়সু হয়েংমাই লাক্কে। "

রুপবতিনা ঐগী ব্রিফকেসতু থাঙৎ-থাংদ শান্নদুনা হংলকখি। " লাপতেদা। সে, ঐগী থিকানাসিদা চিঠি ইরকউ। "

ঐনা চে মচেৎ অমদা থিকানা ইদুনা পী। রুপবতিগী মখুৎতগী কৃষ্ণানন্দনা তাপ লাকপ্রে অদুগা ফুরিৎথাওদা হাপচিল্লগা হায় —

" ঐগীনি। "

" মাম্নি নঙগীনি। লাইরিক কম্না পাউকো। পরিক্ষাদা মকোক ওইপ্রদি ঐদি য়ারোইদবনী। শোয়দনা মকোক ওইনীদনা ? "

রুপবতিদা অমুক ওনশিন্দুনা মথা তাই —

" নঙসুনীকো। ও, কে, ? "

কৃষ্ণানন্দগী মকোক্তা অমুক মান্নুনা -
" ও, কে, আওবীৎ "
মওক নোমজকই ।
ঐগী পীকলীবা মরুপ কৃষ্ণানন্দগা কাহুনরে । কায়নবা হান্নবাসিদি মীওইবগী পুন্সিদত নত্তে সংসারগী পোৎ খুদিংমক্তা থোকলীবনি । প্রকিতিগী নীয়মনী, অদুনা ঐসু প্রকিতিগী নীয়মবু শরুক থুংবা তাবনী ।

মুমাংসু আগী হয়েকপা লাইদু ঐগী চুমহৎম কাদা থেংনি । নোংঅতা য়েংহৌদবা নুমিৎ য়াংদে, হেৎনবা খুদিং নীংশিংহল্লী মপুং কাদবা সংসারগী ফজবদো ॥

"অকেন্না লৈ"

=OO=

সনাতোম্বী নিংথৌজম

হৌখিবা ৪া তানিরোমসি ঐসে করিনো মতাংমা ইতৌ তৌরবনি। ইমানা তান্দ্রিমাংখ মসজিদতা নমাজ চৎলু য়ারম্নদবা ঐ, হন্দক্তি ইরাই ঙাইবদা তশেংনা অৱাবা ওইরে! খুদানা ঐবু মাগী মনাক নক্তা চিংগিনবীনবগী থৌশিল খংদে, অদুক নিংথিবী, সংশারগী শুমহৎপা পুম্নমক্কী তুংনযম ওইবী মায়থোং অমা মসজিদকী লম্বীদা উংবদুমক।

মরাল লৈজদবা ঐগী হন্মোইবু ইথত্তা ওৎনদুনা বুইনা হাহনবসি ওমকত্রে। নোংমদি ঐগী অমত্তা ঙাইরবা লমদমসিগী মরুপ থালিংপতা থন্মোইসি তেংথোবন্দুরে। মরুপা নোক্লদুনা,

— নও' হায়রিসি, মোলবী মনোর আলিগী মচানুপীদু নম্লাও?

— কনাই মচা মতনোপা খংদে। মসজিদ মনাক্কী বীলডিং মংখাল্ল অহমপীদো, হন্দুদা লৈরনি।

হেৱা, নাজমানিনে।

ন্যুনা! কত্রা, পানাল অদুরুদি নুংশিনীগী [illegible]নিদনা।

— ন্যুরয়াদো [illegible] হয়রো। [illegible] থিং,

— কৈস্রু তৌদে, হজবনি।

— মাবু লাইরিক্তা তমম্রো?

— তমদে। মপা মৌলবীনা লাইরিক তমহন্না পামদে।

— নোং ঙাল্লি'জাৎ ওইরে, মীগীনা নুমিৎ থোক্লফাও ।
— মপাল থোকতুনা লাইরিক-লাইশু তমদে হাইদনা উশিৎ থওইদবগা তৌজরুনু, আরবীদি পাইবমখ খঙবনি ।

মপা মোলবীনা মেৎতুনা শেমক্রবনি ।

— আরবীগী বাদি, ঐদি অলিপ, বে, দে ফাও' খঙদে ।

হয়েং ঐগী বেগম ওইরগা ইনাক্তা ফমগা তাকহন'দুঙাই ।

ঐগী মকা লাম্নবা মায়থোংসিগী মমি মরুপ খাল্লিপকী মায়থোংদা খজিক্তসু তাদে । নৌনা নুপী-অঙাং লৈখিবদুনা অসিগুম্বা নুংশি-নুংওনগাসি কয়া থওইদব্রা খংদে ।

— নঙবু আগ্রাদা চহি তরা হেম্না লৈরকপদুবু তাজমহন য়েং'-লাকপা ফজ-ফজবীগা অমত্তা থেংনরকত্রাও ?

চহি মতাংদুদা ইনৌ-নৌনা ঙাওখৎলকইদুবো ?

— আগ্রাদদি লাইরিক তমলুবতনি, নুপী খীরুবা চৎপসু নত্তনা । চহি মতাংগী বাদি হায়রক্ননু ভাই, খুদানা পীবিবা নুংশিবনি, ঐগী শরুক খজিক্তং থেঙনা থুংলম্নতনি ।

— খজিক্তং থেঙখিবদুনা হোপতা বীদাই হায়'দু তাদৌরিনে জনাপ । রামজান থাসি লোয়রগা নিকা শোনখ্রদৌনি ।

রামজানগী অরাম খৌরাংবা ফাংখিদে নুমিৎ কয়ানি । পাম্নুরবা কালেনগী তেনখ্রবা অহিং মাংহনখি ঐগী মিৎসিনা মীকুপ অনিদং ফাও' উইশিন্দনা ।

নেংমদি নোংঙাল্লমদাই ইংলবা নুংশিৎনা মসজিদতগী মপুগী পাউজেল পুরকতুনা তেকখৎহনবীরে ঐগী শোম্বক্লরবা পুক্লিং হকচাং । ঐগী নাজমা হৌজিক কনাগীসু ওইদ্রি । মপুদ অহাম্না ঐগী স্লাইক-মঙ্গল নিজখিবা নুমিৎ অদুমক্তদা,

থগ্মোইদা ফাওহনবীগিবনি আমানা মাজমাবু নুংশিবা। মহাক ঐগীনি, ফনাগীসু নত্তে।

ঐ মরূপ নোংলেনবু নিংশিংলকই। নুপী অঙাংদা অহান্না নুংশিবগী ম্নাহৌদোক পীবদা ওস্লোক্লা হৈ-শিংবনি। আগ্রাদা লৈরিঙৈদা ঐখোয়না মাবু "স্নেক চারমর" হায়রগা খঙনৈ। ভারতকী মকম কয়াদগী লাকপী লিন অমোমগুমা শাখিবী নুপীশিং মানা শুক্নৎহনখি, ভাওহনখি। মযুমদা নুপী অঙাং থমলয়গা ছাত্র ওইরিবনি হায়বা মথম্মোইদা খজরবসু মকমদুদদি মহাক ব্রজগী নন্দলালনি।

ঐ বাবুপরাদা মরূপকীদা চৎলে। ঐনা থোঙ্গাল চংলকপদু লাপতক্লা উবদা শুমাং মতোন্দগী লাউরকই,

— ইমাম শাহেপ, কদোমদনো তৌরকইদুবো?

"ইমাম শাহেপ" মরূপ্না লৌরুদুনা কৌবীবা ঐগী মিংনি। ওসি নৌহৌননা অমুক কৌরকপসিদা মহৌশা ছাত্র ওইরিঙৈগী মথোং চাদবা ফাগী জুগাইশিংদু নিংশিংলগা নোক্লীংনা ঐনা হায়রুই,

— ঐগী লিন অমোম অমত্তা শুক্নৎহন্নীয়ু; ফাবদি ঐ ফাজগে।

মরূপ্না খঙনোক নোকখোরকপ,

— নঙ ঐবু খজিকফাও কাওরমদ্রিনে? মরূপ ইমামগীদমক ঐ লৈরি। ঐ স্নেক চারমরনে, মতম অমগী, আগ্রাগী।

মরূপকী থৌনা ফংলবদুদা ঐগী চৈনবা মারি পুম্নমক শিৎ-শিৎনা লিথোক্লে। নিকা শোনবগী মতাং পল্লকপদা খোঙ্গল খিত্তুং নিকখিবদু মরূপকী থৌরবা লোকতুদা নৌগ্গমাল হায়রকই,

— শোনগে শোনজসনু কৈনো। লৌবীদৌবা নওনা লৌর' লোয়রে। ইশুন চপ চানা খওদবা নরাও? মোইগী নিকা নুংকাগাদো শোনহলোইসু ঙম্মী। নুংশিবদি থুংনগদবনি, হীংমীম্নগদবনি। কৈকান্দগে – হির-রানজা, শোনি-মহিৱালদৌনা পংশিদা শীমিন্নরগা।

– অদুবু ভাই, মশা খংদ্রিসিনিনে জুরিবা।

– ঐ খওলে কৈদৌরগে। নুমিৎ মঙানিগী মনুংদা নোইগী "লেলা মজনু" দগী হেন্না নুংশিনহনগেসে। মদু ঙমদ্রবদি নোংলেন নত্রেদনা। কাহদে, ঙসিদি চিকনলা কৈনো'মা চামিন্নসি। ইহে! ইকাওবু কাউই, ইমামদি মুল্লা তৌদ্রবদি কায়দৈ চারনি। ঐ ইসলাম হোটেলদা মুল্লা তৌহললুখিগে, লৈরম্মু।

খিংবা লাকপগা নওহৌদে, গ্রোং থোকখি। নুমিৎতু হরাওনা চামিন-থকমীন্নরগা ঐ মুমদা হন্নক্লে। মরুপকী ৱাহৈশিং নিংশিংলগা ইনাক্তা লৈত-লৈরবোই খল্লুই, ঐগী নাজমা। শাগৎখি মখল মথেলগী মংলান। ঐ, নাজমা, ঐখোয়'নিগী অনৌবা দুনিয়া।

মথংগী নুংথিল পুং ৪ মুক তাবগী অদুৱাইদা ঐখোয় শুমাংদা থৌজিললকপা গাড়ীগী অহৌবা খোঙ্গেলদুদা খওলে, মরুপ নোংলেন থুংলরে। গাড়ীদগী বু মথদ্রিঙ মনাক্তা চংশিন্নগা ভুমিহা হংলুই, — কৈদৌসিগে?

— হয়েং পুং অনিদা মখোয় মুমগী মথাথংবদা লৈবা রেজিয়া-খোয়দা ঐখোয়নি চৎকদৌনি, উন্নসি হায়রকপনি। ঐ চৎলে, অঙাং অতোম্মীদু ঙরাংদগী মশা ঙমহৌদে। মনিঙীনা লৈ হৌরম্মনি।

শৈরেং মীবঙম মীথরম্লগা গাড়ী মথক্তগীফাও কুমথরমদনা চৎত্রে। ঐনদি কোথ-কোথ মপাউদু হংজনিংবনি — "কল্লি হায়রকপা, কৈদৌরকপা, নোকললকপ্রা, শাওরকপ্রা - অসিনচিংবা।

মরুপ নোংলেম্না হায়গুমদনা নুমিৎ মরি মঙানিদা ঐখোয়নি হায়রপ য়ৌশিন্নরে। ইকায়জবনা তঙাংলবী নাজমাগী মায়থোং থাজ ঐবু উরগা ইকায়-ক্ষিরুপ হায়দোকচদুনা মোমোন নোকচরে।

— আগ্রাদগী ঐগী তাজমহল অমত্তং লৈবীরকপা য়াদ্রা ?

— নোইগী তাজমহলদুনি ঐনা খল্লাইদে শাওনিংলিসে।

— এ! করিগী তাজমহলনা ঐখোয়' ভারতকী মশক তাক্লিবা নত্রাও ?

— নিংখৌরেন শাহজান্দু হৌজিকফাও হিংলম্মা থোক্লবদি ঐনা হায়গনি — "নঙগী মমতাজ বেগমগী নুংশিবদগী ঐনা নাজমাবু নুংশিবনা বিন্দু অমগী মাল তারম্মোই অদুবু ঐ নংগুম্মা তাজমহল শাবদি ওম্মোই। নঙগী তাজমহলদু থুগাইয়ু, লাম্নরবগী নুংশিববু শিংনগন্"।

থা শিগদবা খজিক্তা মঙাইরে। ঐগী পুক্লিং মীপাইবা হৌরক্লে। চৈরকসিদা কছারদা লৈবা ঐগী বাকা নাবগী টেলিগ্রাফ থুংলখি। নুমিদাংল্লাইদু তনচেন চেন্দুনা পুকমেন পাউমেং জরুই "নিংখিনা লৈরম্মু, কছারদা কনাগী মায়থোংবু কুইনা য়েংনিংগনি ? ইমা খিল্লম্মগা থুনা লাক্লনি"।

ইমাগা ঐগনা কছারদা থুংলবা মতমদুদদি কাকাদি শুপ্পগী অরোইবা মতম ঙাইবা ওইরম্মে। ঐনা লাকপা মতুং নুমিৎ হুমনি লৈরগা কাকা লৈখিদ্রে। ঐগী পুনশিনত্রবা ইখোংসি করম্না মক্কমসিদগী থাংদোক্লনি ? চৎলগে হোৎনরুবা খুদিং ইমাতোমচাগী ল্লাহে অমনা অমুক্কসু চেৎনা পুনশিনখীত্র তচৌবা য়োহিলং অমনা — "ঐখোয়বু মীতাপনি খল্লত্রা শমির, নহামচা ময়ামশিগা ঐনা করি লৌশিং থোক্লনি ? মতম খল্লদংদি লৈখো। নঙ লৈরিঙৈদা থুনা মঙমসু শোন্দোক্লসি" অংশামদনা কৌরি ঐগী নাজমাগী অহিক্লবা খোঙেলনা "হল্লক্লো শমির"।

রামজানথা চৎখ্রে, ইড লোয়খ্রে। কাকাগী মণ্ডমসু শোনখ্রে ইমাবু কছারদা থমলম্লগা ঐ চুমথ্রিং রেজিয়াখোয়্দা থুংলখি।

নোঙ্কগী রেজিয়াগী মায়থোং ঐবু উরগা নুংশুক নুংজানরে। হায়দ্রবসু খঙলে, নাজমা কনাগী ওইখ্রে। করম্বা মতমদবু তাখিবা অদুক য়াম্না পিশিংনো, ঐগী কাহৎলবা মায়থোং পুম্বা থুম্মমলে। খঙহৌদনা লেপ্লখি পিরাংনা চোৎলব মিৎমাংদা ঐগী ওইদ্রবীদো।

— ঐবু অদুক থীনা লৌনমগনু। লাক্লো চৎলসি।

ঐনা ইখুৎ অনিসি মকা লাম্না তিংথোকচনবগী পাল্লল থৌনা রুদাইদনো? মহাক নিকা শোনদ্রবীনি, মপুরোইবা লৈদ্রবীনি। হৌজিক্তি ইশাগী চাক্লিবা মৈরিসিবু ইথন্তা লোলা মুহৎচরগা মাবু থেমজিন্থীবা নত্না ঐগী চেমজনিঙাই চৎলী মাংদ্রবনি।

— নাজমা ঐনা নংগীদমক খুদাদা দুয়া তৌরি, মহাক য়াইফবতা ওইসনু। বাবাগী মফমদা নপুরোইবগী মফমদা লংজরবদি গুনাহনি।

নাজমানা মায়খুমফি মরুমদা হৌনা কপলম্লগা ঐগী ওকশমদা চেৎনা কোম্লদুনা হায়রকখি,

— ইওক অসি কক্থৎতুনা খুদাগী মফমদা নওবু নুংশিরু-বগীদমক কুরবান তৌবা ওমগনি। শারবা মরুভূমিদা ইশাসিবু লংথোকচদুন্না চাকথেকহন্নসু ওমগনি। অদুবু ঐনা নুংশিববু মগোক'সিদা ফঙনিংই, গুপ্তগী মীকুপ খরদংগী ওইরসু। ওইসনু বাবাগী মফমদা, ইপুরোইবগী মফমদা গুনাহগার অদুবু ঐ আল্লাগী মফমদদা থম্মোই শেংবীদ্রি। নত্রবদি হায়য়ু, মীওইবগী থম্মোইদা পীবিবা মিনুংশি মহাক্কী তাংলবা খুদোল নত্তনরা?

অচেৎপা খাঁমসনা ওসাইগী ফাজিন্দুনা থম্মা ইয়ুং অমিসিমা চেৎনা কোনশিনখি ঐগী নাজমাবু পুন্সিগী অরোইবনি থহ্না। মামী পারবা মায়খুমফিন্দুনা মিৎলুদগী মিওয়মমা অরকপা থম্মোইগী ইচৌদুবু তপ্না তৈথোকপীরদুনা থেমজিন্নীগে হোৎনরুই অমুকসু,

— আমাগী খুদোলবু করম্মা লেম্মা মাংগনি ? ঐগী থম্মোইদা লৈরিবা নওগী নুংশিবা কনানসু ফোইদৎতুনা মাংহল্লা ওম্মোই। বাবাগী মফমদা, নগুরোইবগী মফমদা লংজবা আমাগী মফমদা লংজবনি। নও ঐবু কাওথোক্লো নাজমা।

— হুম !

শাওনা চেপ্তোকখি ইনাওগী, মাবু চেৎনা কোয়মা ইয়ুৎসি কয়ুৎলমদুনা। চাপ্পক্লা লেম্পা মৈওম চাক্কবী মমিৎ অনিদুনা ঐওোন্দা থানা য়েংলগা খোজেল য়াক্লা হায়রকই,

— ঐগী অপাম-পামদা যেতো দোকচনবা নওোন্দা হক লৈ। অদুবু আমানদি নওগী থম্মোইদা ওয়গী থোইদিং মথাই অমগী মফম থম্বীরক্তে। ঐহাক নিকা শোনম্নবীনি, মৌনি অসিনিনে ? অদুক গীকপা নথম্মোই ! থংও, ঐগী গুন্নিং হকতাং ওসি কাওবা কনাগীসু ওইদ্রি। থংলব্রা ? আমাগী মিংলেন গন্দুনা ঐ শিরাজ অহমত্তা নিকা শোনম্নবীনি, মহাক্কী নুপিনি। মদু থওনা থওনা করিগীনো নহাক্না ঐগী থোংজিন্দা জেম্মরিবা ? শমির সাহেব, অদোম ৎনাহগার ওইরনি। মীয়ায়া নমাইদা তিন শিৎটিয়ীরনি; লেওমীদ্রো। খুদা হাফিজ !

চৎখি। মথম্মোইদগী থাক লাউনা চুয়কপা ঈগী নোংদু ইক্লোরক্তা হৈথরমমা।

— তাইথোনে নাজমা নওবু।

হজিন হজিন কৌদুনা [illegible] থামখিমমি। মীওয়াশী ওমগী পাউঙুম — মাগী খোংথাং মখোলগা লোয়নবা শিজনা [illegible] খোঙ্গেমদুবগা "নঙগী মাজমা চৎলে, অমুক মরলকোই"।

[illegible] অমদা ওাইতমলবা হৎপাগী ইরাই, ওমি তেকনা ইমাংদা লেপ্পরে। চৎলুই, হৈনিংদ্রবা ইথোংসি থাংদুনা মসজিদ তমা, রাকৎলুই তাইবংগী মপু মঙোন্দা শিম্নরকপা মিৎকী পীসে হৈথদুনা — "হে খুদা! ঐদি ইখুৎ অনিসিমক হাংনা হৎলে মক্কমদগী"।

মসজিদকী মাঙোন্দ শিংদুনা লেপ্পগা লাপতক্না উরবা মেকী অরাংবা ভলানগী থম্মোইবু নুংশিবগী ইথক হৌহনখিবা মাংখোং থবান কুইরে উখিদবা। মিৎমাংদা তোয়না মোমোন নোকচরমী ঐগী নাজমা তাইওংবা খুদাগী নোংদম্না তামহনদ্রে মিৎমাংদগী। ইংথবা ওমদ্রে ওসিদি থম্মোইসে তাইবং পুমবু ইংথহন্না ওয়া আয়াগী নোংঙাম্নমদাই ইংলবা পাউজেলনসু।

মীওয়াম্না চিবোন চিবোন ঙাংনরে, নাজমাগী নুপাদু হায়না নিকা য়োন্দুনা থগী নুপী অমা লৌদুনা লৈরে। নোংমসু ঐনা অদি, নুমিদাংবাইরুম ঐশিং শোকপীশিংনা ঙাংনবা — "নাজমাসিবু নিকা শোনম্নিবা কননি মকুইরে, নোংমতসু মাগী নুপাদু লাকখোৎপ্না উদে"। মখোয় ময়ামদুগী মরকপী অমনা অমুক তনওক ওকই — "মাইদু অতোপ্পা নুপি অমা লৈরা নত্তগা নাজমাবু কয়া শামকাংহল্লা কেনো মদি লৈরমগনি। মতমদু দুনিয়াদা লৈবা কয়া নুপ না নিকা শোকপী নুপিদু করম কুইনা মপামদা থবিংগদবে!"

চিংনরমদু অদুম্না ওইরে। থাজিন লাকদুনা হায়রে — "নাজমাগী নুপাদু অতোপ্পা নুপি অমা লৌদুনা লৈরে [illegible] মৌজবীনা শাওদুনা ভলাপ তৌহনদ্রে।

শিরাজ অহমদনসু তলাপ পীরক্লে । মরক থংগুবা নংহৌদে খালিদকী রাইহ। তম্মা চেনকতুনা মসজিদকী মাঙোল শিঙ্গিদা লেমগা মিংকম থমজুই, অদুওঙৌ দলান মথক্তা। উক্কই নিংঙম্নদনা এবু য়েংলম্নগা লৈবা য়ৌনা লুকথখিবা মাগী মায়থোং। মিকুপ অমতং পঙনবগী তাঙা লোয়ত্ত্রে মতাঙম মসজিদকী থাংকপ তৌবা মাঙোলদগী চেংখদুনা, মানা লেম্মা তলান্দুগী শিড়ি কাখংকম তাম্না চেনশিনজুই। লাউরুই, অকি অমত, হঙোইবা অমত্তা লোত্তনা,

— মখাদা কুমথরকউ নাজমা। এ হিংনি, নহাক্কী শমির; কনানা নঙগী পুন্সিবু মকহম্না ওম্নগনি ?

এগী কায়রবা খোঙ্গেলদু তাবদা কুমথরুকখি তহা তহা। চপ লেংথোকখি ইমাক য়ৌফাংহত্রিঙে। মতুংদি শমথখি মিংকী পীনা। এনা মানা লেংবা শিড়ি থাকতু তমনা চেনশিন্দুনা মাগী খুং অনিবু চেংনা পাইশিন্নদুনা হায়রুই,

— চংলসি নাক্লো ।

পাউখুম অমতসু পীরক্তে। নুঙগী মুত্তিওম্ন্দ্রে। শিত্থরি মিংলুগী পিদি হাম্নগী-হাম্নদুম। নুঙগী মুত্তিদবু কদাইদগী মিংকী লিনো ?

এনা পাইশিন্নিবা মখুং অনিদু নোম্নদুনা অমুকসু হায়রুই,

— নাক্লো চংলসি ।

— এদি হন্দোকথাক্লি ।

— হন্দোকথাক ! ওইসনু মদুনা এগী মাংলুরবা অধিকার কংলবনি।

— শমির নহাক ওঙাম্নাঙে ।

— এ ওঙরগী মতম অমদা অদুবু হৌজিক্তি ওঙত্রে । নহাক কনাগীসু ওইত্রেদনা ওম্নগী এখক্কী নাজমা নত্তনা। কনানা এবু

গুনাহগারনি হায়গনি ? ঐ অকোয়া নৈ থুংলহংগনি, নৈহংতুনা মাংহল্লমা নত্তে ।

তপ্না তপ্না মানা ঐগী তুং ইল্লকখি । ঙসি মতম কুইনগী তুংদা ইকায়খিবী মাজম্যাগী মায়খোংগী মায়থুমক্কি ইল্লুংনা ইনিং তম্না হায়দোকচবা ফংজরে । ঐগী ধর্ম তিম্বদবা, জাৎ তোঙান্না মরূপ নোংজেনবু ঐনা পুক্কিংদা ঙমখে জেতনা ইকায় খুম্নজে । মহাত্মা শেংলবা, মকত্রবা থম্মোইদু ঐনা ফংলুবনা ঙসি থুদাবু ঐনা শকখঙজবনি । মতম কুইনা লমজাওখোংনা চাকজেকবা থম্মোই ইংহন্নীরে থুদানা পীবিবা ঐগী অকোয়া নৈ অসিতনা । দুনিয়াদা করম্না নৈ শাৎজিবগে ঐগী অকোয়া নৈগী শেংলবা থম্মোই নৈনমসিদগী হেন্না ?

৭-৮-৯৩ ইং

" দাক্তর অমগী ওপেরেসন "

সাইখোম মেঘোর।

নুংখিলগী পুং ২ তারে। মখুং মহক্তা চাওবী " হৌবাক চাকএ, হৌবাক চাকএ " হায়দুনা থরো-থরো ওন্নি। নাকন্দা মাগী মুপা মনি তৌকম খঙদনা খাওতি। মকক তুমগী মথক্তা হরাওনা শাহরিবা চহি ৩ সুরবা মচানুপা অদুনা হাইফেং য়েংলুই।

" চাওবী, তাইহাক্তং খাংলম্বুকো। ঐ পাম্বী অম্রা মাম্নরণে অদুগা দাক্তরদা চৎলসি।" অসি হায়রুপা মনি হৌদরল্লি। কুকিং-থোংহাও শেৎচিল্লি। থোংগুম [illegible]। [illegible] পোকেংহতা হুমলুই। মুপা ২০০/- থক [illegible]। মুপা ২০০। মনিনা [illegible] — " হৌজিক্কী মতমদা মুপা ২০০/- মা কেদৌকনি? হুংকমগু চৎতে। ঐখোয়দুগা [illegible] মীগী [illegible] মখাজরিবা নত্তে।"

[illegible] মনি [illegible]। [illegible]। [illegible] ৫/৬ [illegible]। মনিনা কৌই — " তা-বাবু! তা-বাবু। তা-বাবু লৈবরো?"

[illegible] মনি ৪০ [illegible] কংবা [illegible] খোয়া

" তাদা, ঐখোয় নুপিদু চাকখাও নাবা হৌদুনা থরো-থরো ওন্দুনা লৈহৌরে। তাদগী গারীনা দাক্তর ফাওবদং থিনবিয়ুবা।"

" অদুদি নও থাও হাপ্পবা লুপা ২৫০/- হায়া ঐঙোন্দা পিরো; ঐ থাউ হাপপুরগে।"

" তাদা ঐঙোন্দা হৌজিক লুপা ৫০/১০০ দগী হেয়া য়াওজদ্রে। মসিনা হিদাক লাংথক লৈনবা ওইজরগে। তাদখোয়দি অব্রাৎ অপা লৈবা নত্তে। তাদনা থর হাপ্পিরো। হুমক্নগা ঐ য়াম্না থুনা পিজগে।"
" মনি মদুদি য়ারোইবো। ঐগীসু পৈশা হেহেনে।"

বাবুগী ৱাদু তাবদা মনি য়াররোই হায়বা থঙলদুনা মখা তাদ্রে। অতোপ্পা গারী অমা ৱায়ক্নরগে খন্না থুনা থোরক্লে। য়ুম অমদা অমুক চংলে। য়ুমদুগী শঙ্গোয়দা কার অশংবা অমা লৈ। গারী শেংদোকতুনা লৈরম্বা নুপা অদুদা মনিনা হাক্লজরকই — " তা চাওবা, ঐখোয়গী নুপিদু কয়া ঙমদদুনা লৈহৌরে। তাদগী গারীসিনা ইম্ফাল ফাওবদা থিনবিয়ু।"
" কন্না ঙমদ্রবরনে?"
" হোয় তাদা। ঐ থাওবা য়াদদুনা লাবচরিবনি।"

চাওবনা ভাইহাক্তং ৱাখল তৌই, অদুগা হায়রকই — "অদুদি ঐ ফুরিৎ-খোংগ্রাও শেৎচিললুথিগে, কুইরোই; ভাইহাক্তং ভাইরখ্রুকো। সে ফানসিদা ফম্মু।" মনিনা ফান অদুদা ফমথে, মমিৎতা চাওবীবু শং-শং উরকই। নেনা তানা ফম্না ঙমদে।

চাওবনা ফিরোল শেৎপা লোইরদুনা থোরক্লগা গারীদু ঙংদুনা য়েংঙি, য়ারে। মনিসু তোংখৎলে। য়ৌথিবা থঙহৌদে। গারীদগী মনিগা চাৎবগা কুমথক্লগা য়ুমদা চঙজক্লে। মনিনা পুথম তেংগোৎ ফিরোল থর প্লাসটিকী থাও অমদা হাপচিল্লে।

চাওবনা মদু পায়খিরে। অঙাংদুসু কুপ্নিং-খোংলাও শেংচিনখিরে। মনিনা চাওবীবু খুৎ শম্বীরগা কারদা কাখৎহন্নে। মচাগা মাগসু কাখৎতুনা চাওবীবু শেম্নখিরে। চাওবনা পারী অদু ইস্কাল তমা থৌরকলে।

চাওবীদু পারী মনুংদা য়ানা থাংজি। মরক মরক্তা নাহেরকই মনিনা চাওবদা হায়রকই — "তাদা পারীগী শেলদি কোম্না পীজরগেকো। হৌজিক্তি উপায় লৈতরে।"
"হোয়, হোয়।" চাওবনা থুনা খুমদোরকই।

হোসপিতালগী কেজুএলতিগী মনাক্তা কার অদু থারগা চাওবীবু মনুংদা পুশিললে। দিউতি তারম্বা দাক্তর অমনা মুক্না য়েংবিরগা হিদাক অমা ইবিরে। অনকপদা লৈবা ফারমাসি অমদগী হিদাক অদু লৈরুরগা নর্স অমনা কাপ্পিরে। চাওবী মিনিট ১০ গী মনুংদা পোত্থারে। মচানুপাবু কৌশিল্লগা ফমুং মনাক্তা ফমহল্লি। মচাদু কয়া নুংঙাইজগ্রবনো!

চাওবীদু সরজিকেল ৱার্ডতা পুশিনখিরে। নর্স ৩/৪ তেবলগী অকোইবদা ফমদুনা ৱারেম ঙাংলম্মী। লায়েংশং অমদি অনাবশিংগা মরি ঙমজ লৈনদে।

মনিনা তিকেৎ অমা নর্স অমদা পিশিল্লি। মদু মুন্না পারগা নর্স অদুনা খুদোনবী থিল্লগা হায়রকই — "তু আদগী অনিংদা ফমুং ৩/৪ লৈরিবসিদগী অমা খল্লগা লৈরুরো। চে অসি মফমসিদা থনম্মো। হোয়েন কোম্না পিরম্মে।"

মনিনা মাঙ থারগা মখোয় কা অদুদা চংলকে। ফত্তবা ঈশিং, চে মচেৎ মরাং, জিকনি কম্বা তাপ্পিবদু ঊরকই। মনমসু নমথিরকই। চাওবনা হায়রকই — "মনি ইবো কান্নিদি নুংঙায়থিরেদা। মনমনা নমথিরিবা। নর্সশিংনিদু হায়নরগা মমাং থংবা অনাম্বা কা অমদা লৈবনা ফনিনে।"

মনিনা চৎলগা নর্স অমদা হায়জরুরে — "ইচে কা অকিদি মসম য়াম্না নম্মি। মমাংদা তেরিবা ফকুংশিং অসিদগী অমত্তং য়াম্না তেবা য়াবোইরা ?" নর্স অদুনা খোজ য়াওনা হন্নরকই — "য়াদে। ঐনা হায়রিবা অদুদা তেংদবনি।"

মনিনা নর্স অদুদা য়াদকপী মরম হংনিংঙি। অদুবু মহাক তকে, হিংরে। নাকুংদা চাওবদা "তাদা য়াদেবো" হায়রনা তম্মে। চাওবনা তয়া লোক্নি— "মখোয়গী হৌমবী তৌরিম্মি।"

মনাক নকপদগী কক অমা য়ায়রগা মনিনে, চাওবনে অঙাংদুনে ফমমিন্নে। চাওবদু ঙাইহাক লৈরগা চৎনিংলমান্নে হায়রকই।

"মনি, অনাবসু লোথারে। ঐসু চৎলগেকো।"

"হোয়, তাদগী অয়ামন কাউজরোই।"

"হায়হেন্দেদা। অদু পাওগা হায়নিংবা লৈরাও ?

"অবোকখোয়গী হুমসু লাপ্লি। বনাদবু হাইদোইনো খুঙগ্রেদা।"

"মী থেংনরবদি ঐ হায়বিখিগে।"

চাওবা চৎখ্রে। দাক্তর নপিনি লাকতুনা চাওবীবু য়েংলগা য়াম্না থুনা X—ray তৌমবা চে অমা ইরে। মনিনা চাওবী পুরগা প্রাইভেৎ ক্লিনিক অমদা X—ray দু তৌরুরে মমা মচানু হার্তা খিনখিরমলগা মসি ৫ন্তুক X - ray তৌবা লাকলে। পুকচেল চাওরবা ক্লিনিক অদুগী মীশিংনা X-ray অদু য়ারিবমখে থুনা পিখিরে। মনিনা X—ray অদু দাক্তর নপিনিদা পিরুরে।

অনাবা-৪/৫ সু এদমিত তৌরে। মী য়াম্না লাকই। ইরাং লাংতি, অক্সিজেন চোম। মখোয় মমাংগী অনাবা কাশিং অদুনা চংনম্মি। মদু উবদা মসি ওকাই। চংশিনবা অনাবা অমনা লাকখিবা অনা নায়া থুনা অমনা হংখ্রুই।

নুপা অদুনা হায়ী তৌরকই—"ইবুংঙো এখোয় দাক্তরগী মমুমদা চৎলুরে। দাক্তরদুনা য়েংহল্লগা লাকখিবনি। ফমুং অফবা নুংঙাইবা কা ফংননবা লুপা ২০০/- অমগা অয়েংমন লুপা ৫০/- অমগা পুন্না লুপা ২৫০/- পিরম্মলিবনি। সিনি ইবুংঙো হৌজিক্কালগী চৎনবী।"

"তাদা, হেক্তা লৌব্রা?"

"লৌই ইবুংঙো ওইনপোৎ নত্তে। ওলববী মখক্তা শেল য়াম্না তানখ্রুপোৎনি। লৈবাক অসি হাদৌরিপোৎনি।"

নুপাদুনা লাকমিন্নবা অনাবদু ওপেরেসন থিয়েটরদা পুশিনখ্রে। মনিসু চাওখীগী নাক্তা লাক্লে। অদুবু থল্লকই — "হৌজিক্কী অনাবদু লাকপদা ঙাইহরি, ওপেরেসন তৌবা পুশিনখ্রে। য়াম্না থুব্রেদা।" মতমসিদা দাক্তর লজিনি লাকতুনা হায়রে — "নখোয়গী অনাবসি চাকথাও য়াম্না শোক্লে। হৌজিকমক ওপেরেসন তৌবা দরকার ওই। দাক্তরদু উহৎবিরক্লো।"

"দাক্তরগী মিংদি?"

"দাক্তর কানন।"

মনিনা থিরকপদা দাক্তর কাননগী কাদু মতাইদা লৈরম্মী। য়াম্না নাম্লি। মমাং থংবা খোঙ অদু মনুংদা লোম্লি। খোংনাঙশিং অদুসু মনুংদা পদ খল্লি। কা অদু দাক্তরগী মাল্লি। অদু এলেকত্রিক্কী মৈঙালদি হক হক ফাওরকই। মনিনা পদনা কুম্না থুংদবা খোংনাঙ মচি অমদা য়েংলুবদা নুপা অথক ফমজগা হায়ী শাহরক্কদু উরকই।

"দাক্তর, লুপা ৫০০/- সি থমজরমগে। ওপেরেসনদি হৌজিকমক তৌবীয়ুকো।"

"সোইদনা তৌরনিয়ে।"

"থেক্কু ইয়ু, দাক্তর, অদুদি এ খোকচম্লগে।"

"ফনি, ঐস্ন লাকচরগে। অদু মনিংথোংদা চংবিরকপনিনা মনিংদা অদুম লেংথোকপিখিবা তারেনে।"
"হোয়, ফনি।"

নুপা অদু মনিংথোংদা থোকখিবদু মনিনা উহৌই। খোং মনাক্তা চংশিল্লগা "দাক্তর দাক্তর" হায়না কৌই। খুমল্লক্লে। মনিনা থোংদা "কোক, কোক" হায়না অমুক থিনখদা দাক্তরদু তঙাইফদনা থোং হাংদোরকই। চংশিল্লগা মাগী চৌক্রিদা ফমথরগা হংলকই —"করি তৌসিগে হৈবুংতো ?"

"দাক্তর, ঐগী নুপিদু চাকখাও নাবগী মাওতা লৈরবনি। দাক্তরনা ওপেরেসন তৌবিগদবনি হায়। চাখীদুনা খর খুমা অমুক্তা তৌক্লু।"

"ও ! ঐনা X-ray লেংথিবদু ওইরিনি। হৌজিক অমাবা ফুমা ওপেরেসন তৌগদবা লৈ। মসি লোইবনা তৌরসি। মরাক হিদাক-মাংখক লৈশিনজুরো।"
"নুংঙাইজরে দাক্তর।"

মনিনা অনকপা ফারমাসি অমদা চৎতুনা হিদাক লৌরক্লে। হিদাকশিং অদু লৈবদা লুপা ১৫০/- চংথোকল্লে। হিদাকশিংদু নর্সশিংদা পিল্লরে।

মিনিট ৪০ মুক হৌল্লে। ওপেরেসন তৌখিবা ফনাবদু লোয়রদুনা পুথোক্লে। মনিনা য়াম্না থুম্না দাক্তর কাননবী ক্যাদা চংদুনা উনরকই। দাক্তরদু ফোংথকে ফোন তৌবদা ফিং তৌরকই দাক্তরদুনা পায়রংথলি।
"হলো ... হলো।" খোজেন্দুনা হায়রকই।
"হ্যালো, কনা ওইবিরবনো ?" দাক্তর কাননবা হংই।
"ঐনি, মেদিকেল মিনিস্টর ... ...।"
"সার, তাকপিসি।"

"ঐগী অনাবা অজা লৈবিবদু হৌজিককক ওপেরেসন তৌসবা শিনবিয়ু।"

"স্যর, অনাবদু লোংবো নিনি থিজ্বিথবা য়াগনি। হৌজিককক য়াম্মা সেরিএস ওইবা অনাবা অমা ওপেরেসন তৌগদবা লৈরে। Excuse me, Sir।"

"য়ারোই, হৌজিককক তৌগদবা য়াদে।"

"তৌজরগে, সার।"

দাক্তর কাননগা মনিদা ওনশিনগা হায়রকই—"ইবুংঙো, হৌজিককক অনাবা অমগা ওপেরেসন তৌদবা য়াদ্রে। মসি লোইরগা সোইদনা তৌরসি।"

"দাক্তর মদু তৌবিনু।"

"উপায় লৈতে, ইবুংঙো।"

"Please, দাক্তর অমুক্তদি থনবিয়ু।"

"ঐদি তৌদবা য়াদ্রে।"

"ও!" মনিদু নিংবা য়াম্মা কাইরে।

নিংবা কাইরবা মনিদু চাওবীগী নাক্তা লাক্লে। চাওবী রানা থাংডি। মথা য়াম্মা চোকথরে। মনি উবদা হায়রকই—"ঐ য়াম্মা রারে। ওপেরেসন তৌবিররোইদ্রা? মনিনা নুংঙায়তবা পুম্বা লোৎশিনগা হায়রকই — "তৌগনিয়ে, সোইদনা।"

চাওবী রা কম্ম ভাংবা ওমদরে। মচেৎ-মচেৎ ভাংদ্রকই।

"ইচাসি নুনা তৌবিয়ুকো। ক্ষবিগনুকো।" অসি হায়রগা চাওবীগী মমিৎতা পি মরিক মরিক তারকই। চাওবীদু রা ভাংখিদরে। মনিনা কৌরকই –"চাওবী"। "চাওবীদু থুজ্জরে। মদু উবদা গাম্বৎলদুনা মনিনা দাক্তর নলিনিদা তম্মুরে।

দাক্তর কাননন ওপেরেসন লোইবদা ডাইরমলি। চাওবীগী পাও তাবদা চেথোরকত্না চাওবীবু য়েংঙি। দাক্তর খরগা নর্স খরগসু ইকোয় কোয়না লৈ। দাক্তর কাননগী মাইথোং মকশিনলকই। হৈনিংদবা মীগী শক্তম লৌরকই। দাক্তরশিং অদুদা ওনশিল্লগা খোল নিক্না হায়রকই—"দ পেসেন্ট ইজ দেৎ।"

কা অদু পুমচিক চিকখি। মনিনা চাওবীগী মশাদু পান্নরগা কপলকই। মপানা কপ্পা অদুদা মচানুপা অদুসু পংকণ্ড কপগ্রে। দাক্তর কানন্দু য়াম্না নুংঙায়ত্রমালে, দাক্তর অমদি নর্সশিং অদুদা ওনশিল্লগা " আই এম ভেরি সোরি " হায়রল্লগা কা অদুদগী তপ্না তপ্না থোকপ্ত্রে।

"থেংমল্লবরা ঐবু"

নিংথৌজম সুনিতা

ফন-স্নাম্নদি থেংলবনি, অদুবু অর্জুন হল্লকত্রি। হন্দক্তী মহাক্কী লমচত্তা অহোংবা থরা উরে — তুম্না চাবা চাং নাইদ্রে। থোইদোক্লা মহাক্তী মশা নাজবনি, কে মৌবা পামজবনি। অদুবু, নুমিৎ থরনিসিদা পুম্নমকসি ইথৌ-থৌশাদবগুম উই।

পুক্লিংসে লৈতাফম থংদে। তৌফম থংদদুনা মহাক্কী কাদা চংলুই। তেবল মথক্তা লাইরিক থরা ইচায় চাইথাইদুনা তাল্লি। করি থল্লিবনো ঈশামক থংজদনা লাইরিকশিংদু মথং মথং লোইশিনলুই। উরকই — হনজিন-হনজিন কক্‌থংলবা রাহে থরা চেজেৎ অমদা ইরম্বদু — "এসু য়াইহ, মহাক্ক এগী ঈপানি। অদুবু, নংদি অসিগুম্বা মপানি মদুদি মাগী মচাবু মৈশা অসি লাংহুহবগীদমক লোকপীবা।" মথমদদু করি-করিনো থরা ইরি, অদুবু জমুক য়েংলুবা ওঅলুদ্রে — এগী হকচাং কয়াৎ পুম্বা চোকথরম্মী। [illegible] — [illegible] ওইরকনিবসি, অদুগা করিমো ওইরঙদৌরিবনা? লোকললী মপাগী নুংশিবা [illegible] [illegible] মহাক্কী [illegible] [illegible] লেরী অমনা হায়রবে, মেন্দ তাংদ্রে। [illegible] [illegible] — তৌরিবসি চুমীবরা?

পুন্সিসিদা ঈশানা য়ানিংদ য়ানিংদনা ঐহাক বদনাম অসি ফংখি — অতোম্বী হায়বদুগী। মিংথোল অসি মক্তনা ঐবু শাগেগী মৌ অমা ওইবগী ইকায়-খুম্নবা ইজ্জৎ পুম্নমক লৈখ্রা তাহনখি। মসিমক ঐগী লাইবকসিদা তমললকবা ওইরম্বদি য়াই, অদুবু ঐ খংঙী — নুপিগী ফজবা লৈতে। শোয়খিদুনবু ওইরবসু অমুক্তং অমোৎপদা তারুরবদি অমুক কাখৎচদুনা সমাজসিদা খোংফম অমা বঙনবগী হক নুপিগী লৈতে। ঙসিগী তাইবঙপালসিনা, সমাজসিনা অমোৎপা জগা অদুতবু য়েংদুনা লে। অদুগুম্না অমোৎপদু হৈখোদপীবগী মহুত্তা হেম্না হেম্না তৈশিনবীদুনা করেনবী। মতুমক খাংঙমদবদগী ঐ চেল্লকখিবনি — ঐগী তাইবঙ মংফানেদ্রিবা ভর্নবু পুদুনা। অদুবু খংঙী — ঐগী লেপকদৌরিবা খোংফম অসিমক্তা ঐগী থীরবা মিংচৎপু অমুক ফজহল্লদি ওইখোদ্রবোই।

"ইমা।"

খোঙ্জেল অসিনা ঐবু মঙফাওনহল্লে। ফুক খৌগৎপগা হংলুই,

"অসুক থেংল'ফাও কদায়দা লৈরুরিবনো?"

খুমলকল্লে। মফি ফাওবা হোংদোক্তনা কমু ঙদা হীপখরে। মাগী খাজদ্রবা লমচৎসিনা ঐবু চঙক্রহল্লে। অমুকসু হংলুই —

"নঙ মু থক্রবরা?"

মখিৎচু অমুক্তং য়েংলকই অদুগা হায়রকই,

"মু [illegible]? [illegible] পোখাক্কম থিরকবনি।"

"পোখাক্কম? [illegible] ওইরিনিনে—নঙগী পোখাক্কমদু?"

"কদায়দগী [illegible]? [illegible] ঐবু ইঙ্গোকই।"

হীপ[illegible] [illegible] ঐগী [illegible] চুথরকই। মুগী [illegible] অর্জুন [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] চেষ্টা [illegible]

"পুন্নমক্না ইথোকলে। হায়য়ু ইমা নঙনদি ঐবু করিগী কোনশিন্দুনা থমলিবনো ?"

মু ঙাওদুনা ঙাঙবমক ওইরবসু হাহৈশিনা ঐবু চৈনা ক্ষংহল্লোইদবগী মরম লৈবরা ? ঐগী পাউখুম লৈতে, মাবু য়েংবা ফাওবা ঐ ঙমদে। হন্দকসু হায়রকই —

"পুন্নমক্না ঐবু ইথোকই ঐগী কনাসু লৈজদে, ঈগ্যাসু লৈতে। মাদি অশিবনি। অশিবা মানসু ঐবু লরুবা শাই। হায়য়ু ইমা, ঐখোয়দি শিদেদনা ? পুন্নমকসে — পুন্নমকসে — কনানা ওইহল্লিবনো ? পুন্নমকসে — —।"

থাজদনা অর্জুন কপথোরক্লে। ঐগী থৌনা পুন্নমক মাঙখ্রে, অমুক খাওবা ঙমলকত্রদুনা কাদুদগী খোংথাং থুনা থোরক্লে।

অহিং ফন থেংলে, মিৎ কক্লা অমফাও উইশিনবা ঙমদ্রে। খঙহৌদনা হোংলক্লিবা অর্জুনগী লমচৎসিগী মরম থিবদা অদুক লুরমদে। মপানা মহাক্লা লোয়নননা লৈমীন্নবা পামলে। অদুবু ঐগী অর্জুন্না মাগী মপাবু হায়রৌগ্রে। অহিংবা মরক্তা লৈদুনসু অহিংবা অমঙম্না মশাগী মখুৎ ফোংনা তিংথোকতুনা মাগী মচাবু কোনশিনবীবা ঙমলকখিদ্রবা মাগী মপাবু মানা হায়রৌরোইদবগী মরম লৈতে। অদুগা মহাক্লা মাগী লৈথা তারকী মম্যাবু কদায়দসু লংথোক্লমদুনা চৎখিবসু ঙমলোই।

ঙসি ঐগী অর্জুন শারেপ ফারে। ঈগাক্লতনা ঈরৌশিংতনা মহাকপু মীরক তিনবা ওম্নবা হোৎনরক্লে। অদুবু ঐনা খংঙী অর্জুনগী চাক্তরবা অশা কয়া হোৎনজনিংবা করাদি অরেম্নদা অদ্রে। ঙসি মাগী ওইরক্লিবা কিতম অসিদি মহাক [illegible]
[illegible], [illegible] অদুগী মনাক [illegible] নকপা মত্তে। [illegible] [illegible] ঐঙহৌ [illegible] ? ঐগীদি মানা [illegible] [illegible] [illegible] হোৎনবা [illegible] [illegible].
থৌনা ঙমা পুথোক[illegible]। ঐ [illegible] থ[illegible]কে — ঐতমী [illegible]

অসিনা অনম কন্দুনা ইচাগী অরাংবা লাইবকপুসু নমথগ্রবরা ? মহাক্কী মপা নৈরি। ঐন্না মতেং নিরুপ্রবসু পীননবগীদমক তিংথোরক্কবা হূৎতু কঙক-পেম কনথোকখি। কম্মেকখিবগী মরমসু লৈখিদবা নত্তে। ঐনা পামখি — সমাজ অসিবু শিংনদুনা মহাক্কা নুপা থোক্কা ফোংনা ঐগীদমক, ঐগী অর্জুনগীদমক লেপ্পিবদু। অদুবু মদুমক্তি ওইথোকখিদ্রে। ঐ মমানি, — করিগী খঙলোইদগে অর্জুন্না কয়াগী মতিক নিংবা কায়খিবগে হায়বদো ? অদুবু মহাকসু অসুম্না খনখিমাগ্নে — মসিমক মহাক্কী লাইবক্তা তমলক্রবনি হায়না।

হৌজিক করি তৌগনি ? সমাজ, ইজ্জৎ, ইকায়-ইকি পুম্নমক হুন্দোকলমদুনা ওসি অর্জুনগী মপানা মাগী মচাবু থিরক্নে। মচা নৈন-নৈনা মচাগী নুংশিবা মচেৎ অমত্তা ফংজরক্ত্রবা মীশকতুগী অরোয়বা ব্রাকৎ ঐনা তাদবা ওম্নগদ্রা ? পুম্নমক্কী মিৎয়েংদা লৈখাতাম্লবী ঐগী শেংলবা থম্মোয়সে কনানসু খঙবীদসনু! অদুবু মসিমদি সমাজ'সিনসু অদুগা ঈশামক্কসু মীনম্না ওমজরোইদবনি, মদুদি — মহাক অর্জুনগী মপানি। করিবু কায়বগে — মপানা মচাবু নুংশি উৎলকপদা ? ফংক্রম থোক্কবা নুংশিবা অমত্তক মহাক্কা পীম্নু লিরকজি। মতম পুম্নমক্তা মহাক্কা নুংশিবা অদুতবু ঈথৌ লাংদুনা লাকখিবনি। খৌরাংবা অসি কোকহন্নদা ঐগী করি মাওজপদগে — ওপ্নতগী ঈশাগী নাপল অসি নত্তনা ?

অখিংচুম্না চানেম্না হৌরে। অর্জুন অমুক [illegible] ইরুজবগী হেমবী নৈ। ঐনা [illegible] [illegible] [illegible] লোইরমলে। [illegible] [illegible], ইকুপ্পী [illegible]-ইনমাক [illegible] লোইশিন্নবা কমা হোক্[illegible]। চাকশঙ্গর চা [illegible] [illegible] চঙলকতুনা [illegible]। অরাং নুমিদাংগী [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ইকায়[illegible] [illegible] পুক [illegible] [illegible]। ঐ মতোমদ্র অশেংনা মিৎচানন য়েংজুবা ওমদে, হংজুই —,

"চখোঙ্গদবা ঙৈরিবরা ?

থুমলকই —"উম ! অজয়না ঐবু কৌরি।"

ফন কুইবা ফাওবা ব্রা-লান অমত্তা ভাঙনরুদ্রে। খোঙ্গেন শোম্বুনা কৌরকই "ইমা !" হন্দক্তী অমুক্তং য়েংখৎলুই, মরাল অমা লংজখিবগী থাংভমদবা চৈনা অমনা ভৎলবগী মমি মাগী মায়খোঙদা তারম্মী। হায়রকই —, "ঐ অজদ্রে।"

মখা তানা তাবা ভমদ্রে, ঐগী মিত্তগী পি তারক্কে। মদু খামজিন্না হোৎনরদুনা হায়রুই — "ফরে ফরে, চা ·সিদা লৈরেসে।" মমাঙদা চাদু থমদুনা মায় [illegible] পি তৈথোকলুই। ইচা থাগৎতুনা হায়বা নত্তে, তপেংনা অর্জুন মমাঙদা অমুক্তা য়ু থরুকখিদ্রি। ঐনা য়াদবা লমচৎ অমত্তসু চৎখিদ্রি। মদুমক্তনি মহাক্তা অসুক নিংভমজদ্রিবসু। করম্মা মাবু খেমজিনগদগে খনফম থঙদে। হায়দোকলুই,

"করিসু লৈতবা পুন্সি অসিগীদমক অদুক লুনা থম্না হৌনদে।"

ঐগী ব্রাহৈদা ভক্তবা মিৎয়েং অমা য়েংলকই, মিৎয়েংদুদা ঈশামকসু ভকচরম্মী। করিনো হায়রিবসে ? পুন্সিসিবু তরাই তরাইনা খললুদুনা ঈশামক্সী পুন্সিদা অমদি ঈচাগী পুন্সিদা চৈথেং অসে ফংহল্লরিবরা ? অহাংবা কপ অদু মাঙদা থম্মকই। করিঙন্না থরা হায়নিংবগী নুংনাংবনা মাবু নুংশা মনী হোলহল্লম্মী। মদু খক্তলদুনা ঐনা হংলুই — হায়ল্লু করি হায়নিংখসে ?

লুকখরম্না মমায়দু অমুক্তং হজৎলগা অদুকসু লুকখিরম্মী। তম্না-হায়রকই —,

"অসোমগী য়ুমদগী পাউ লাকই। ঐ খনফম থঙদে, করি তৌসিগে ?"

করি তৌগদগে ? ঐসু লাম্না ফংদে ।' অহিং চুপ [illegible], ফল তাখিদ্রে । হায়রকই,

"ঐগীদমক থোইনা খললুনু । শাংলবা মতমসে ঐনা হায়বতা ইন্দুনা নঙ ক্লাক্লে । হৌজিক্তী নওনা নিংবদু তৌরো, মদুনা ঐগীসু অপায়নি ।"

"ঐগী অপাম্বা লৈত্তে ইমা । অসুমা মৌরিবসিনসু মতিক চাম্মবনি ।"

পঙ্গদনা খুমলকখিবনি । পুক্নিংদা অন্দবা ওমদে — য়ারৌদুনা হায়রিবরা ? হংনুই —"ঐবু য়াক্তৌরিবরা ইবুংঙো ?"

"য়ারৌবা হায়বা ? নত্তে, ঐ কনাদসু য়ারৌদে ।"

" অদুদি হায়মু, লাল্লে খওনা চঙজরক্কবা মহাকপু অমুকসু ইত্থোকখিগদ্রা ?"

হন্দক্তি মহাক্তী খোজেল কত্তক তৌরকই —,

—"ইমা, কনানা কনাবু ইত্থোকখিবনো, খঙহৌদ্রিবা নত্রা ?"

—"খংঙী । অদুবু অর্জুন, মী অমনা মরাল লংজরক্কে হায়দুনা ঐথোক্লসু লানগদবা নত্তে ।"

অর্জুন তুম্মিন অদুম লৈশিনখ্রে । ঐনা মখামুক তারকই—,

"[illegible] অদুবা তাবুবা, মাগী কনা-[illegible] মতমদুদা মাগী [illegible] মীশক অদুবু [illegible] । ফন [illegible] ইমা ইচাবু কনসু অবাবা মৈরিক্তা লংশিনজসনু । খজা ঈশ্বর তৌরিদনা ? নওগী মাঙজগদবা লৈরবদি মাবু তাকপীয়ু ।"

—"অদুবু ইমা ! ......"

ঐমা মরক খংনুই—

"মথা অর্জুন, ওককপীগী হায়বদিলগী চেহনা 'অখোঙ্কৰা ধর্ম সংস্কারসিংদা অমমুক চৎতবনি। মহাক মপান্ডি মাগী মচাবু মুংশিরকম খোরকা" মুংশিবিরবনি. অদুনা নত্তনা মাগী মচা।"

অর্জুন ঐওোন্দা শংত্রিক য়েংলকই। অসিওম্না মিৎয়েং ঐনা মমাওদা অনুত্তসু উদিদ্রি। হায়দগী জেন্না খোঙেল কনশিন্না হায়রককই,

"অদুবু ইমা, ঐনা মানু ওককপীরগী ইবাগী বৈবা তানবা পুন্সিবুদি কনাগা শেংসোকপীবা ওমগদগে ? পুন্নমকসে ...... পুন্নমকসে ...... ঐ ...."

"ইতোকো তোকো !"

মরক থৎনা হায়রকই, মথা তামা ভাবা ভাগী বোঁমা ঐওোন্দা লৈতে। করিনো হায়রিবসে ? ঐগী অর্জুনা অসিওম্না [illegible] পন্দুনা ঐওোন্দা হায়রবরা ! কপ্পিংবনা [illegible] চরম [illegible], মদু থাওবা [illegible] হায়রকই —,

"মাস্তুগী লোইহৈ ইবুংঙো, অনুম-অকাম থওবা [illegible] লৈরি।"

"হুং ! ঈশ্বর ! ঈশ্বর মহাক্না মদু থওলবদি কনাগী অসুম্না লাঅদবা মীওইশিংবু ওহনিবনো ?"

"ঈশ্বরনা কনাবুসু ওত্তে অর্জুন ! মসিদি মীওইবা ওইনা পোকলুবা ঐখোয়গী লাইবক্কী হানি।"

"অদুবু ইমা !"

—"অদুবু হায়জবু করিনো ? মীওইবনা মপান্নু তৌখিবা থবক্কী [illegible] মনাগা [illegible] [illegible]।",

[illegible]

[illegible]

তুংদা শিক্লাং থাংজরা খোঙেলদা হয়রককই "ফংজরনু ইমা ! মশাগী কর্ম অদুগী ফল মশানা ফংলেসনু ! ঐগী কর্মগী ফল ঐসু ফংজগে। ইমাবু ইস্তোক্লগা ঐবু তৌশিনগে হায়রবদুদি ঐনা ঈশ্বর ওইরবসু ওমরোই। হায়য়ু ইমা, নত্তবু ঐগা কায়নবা ওমগদ্রা ? ঐদি ওমলোইনে।"

মাগী খোঙেলদুদা থংতী, মহাক থম্মোইদু পুবা ওমদ্রে হায়বা অসুক কুইবসে মহাক অসুম্মা অসুক ঋাঋা ব্রা ঐঙোন্দা হায়খিদ্রি। ঐগী হকচাং কয়াং চোকথরক্রে, পাউথুম অমত্তসু পীননবা খোঁমা লৈত্রে। অর্জুন হৌগৎতুনা চৎখ্রে, ঐগী পাউথুম অমুক ত্তাইরমদ্রে। হায়গে থক্ষম্নি,

"নংনা ব্রারৌরিবা মীশকতুনা ঐখোয়বু ইস্তোকপা নত্তে"। ঐহনা অাপ্পা চেম্মোকচরকগনি। পুম্নমক অস্রিগী হৌরকফমদি কন্নাসু নত্তে সমাজ অসিনি।"

অরোয়বা ওইনা য়ুম অদুদগী খোং থাংদোরকখিবা মীকুপতুদা থনখি— অমুক মাং ওনশিনজরোই। ওনশিনজনবগী খোঁনায়ু লৈত্তে। ইচিনসিনা পনজদুনা কৈদৌরুদগে ? ঐবু ওজবীনি হায়দুনা পাউথোকপীখিবনি। অশাওবগী মৈনা চারুবা মতমদুদা অচুম্নদু থংহনবা ত্তাঙ্গা ঐঙোন্দা লৈখিদে। অদুবু কাউদ্রি, অরোয়বা মীকুপতুদা হায়খিবা অর্জুনগী মপাবুংগী ব্রাহেশিংদু —"অচুম্বদু থত্তহনবা পাম্নে ভুমত্তসু লৈত্রবরা ? ঐঙোন্দা অমুত্তা হায়নু—মসে শেংলবরা ? নত্তগীদমক ঐনা পুম্নমক কায়নবা ওমগনি।"

মপান্দা মীয়াম তিরবগী মীনিজ তারি। তৌশিন্নবা ইচেহনগী মীকপসু তারি। কিন্ন-কিন্নবা ব্রা কয়া হায়দুনা ঐবু মিংচৎ থীহনবা হোৎনবগা মপুরোইবগী হৈজিং অজিতসু য়েংদ্রি। অশাওবনা ঐগী হকচাং কয়াং পুবা তাকথকপী।

[illegible] অমত্তনা ঐ মাঙনবীনি হাৎনা [illegible] লৈখিদে। তুকচ্চবনা ঈশা পুম্বা নিকনখী। তাসুক [illegible] ওইদবা [illegible] অজিমা ঐবু পুম্নাং-মাংহন্নরে. [illegible]মক্তদা বাস্তদুনা শিনিংলম্মী।

"থোও হাংদোকউ! ওক্তবীদু লৈকায়সিদা থম্বা য়ারোই। থোও হাংদোকউ! অম্মুক পম্বনা লৈবা ওমলকত্রদুনা থোও হাংদোকলুনবা চংশিললুই। তফিং-তফিংনা চৌগৎতকতুনা ঐগী খুদাং ফারখি —"নত্তে নত্তে! অদুম তৌগনু! ঐ ত্থা য়ায়গেসে। ঐ লৈরিবসিনি।"

শাউরংননা হায়দোকখি, "থাদোকউ! ওক্তবীগী খুদাং পায়বা হন্জোইবীদবরা?"

মখোইদা কুম্ভদুনা অমুক্তংদি থীরবা লাইবকসিনা শোকহনখিমাক্তে। হক্লবা নুংশা মপি অমা হোন্দোক্লগা হায়রকখি,

"কনিনো নঙনা তৌরিসিবো?"

মহাজী খোজেল নুমথররক্তে। মীকুপতুদা ওইরমংদবা শকক্কমদু অমুক য়েংলুরবসু খঙলে; য়েংশিনলুরবসু ওমদ্রে। খিংজিনবা থোঙদু ইথুৎমক্লা হাংদোক্তনা খোও থাংদোরকখি।

পুন্নমক্তগী নাম্নোকতুনা ঐ নাকখি। অদুবু খংখি, ইমি ফাওবা নেংনিংত্রক হন্জোইরবা মিংচৎ অমুবা লোয়ননা [illegible] হায়বসে।

*

"ইবেনা! নুপিমচা নঙবুনে।"

[illegible] ইমলাংচাগী [illegible] ত্থারক্লুই। ঐ ওকই, [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]! [illegible] চংলকই "[illegible]নোনে? মাবু লৈতজাওবা?"

ঐবু উবমন্দা হায়রকই —, "কৈদৌরে, কপ্নীবরা? কদায় অর্জুনদি ?"

"মাগী কাদা লৈরমগনি।" ঐনা খুমখিখনি।

ইন্দোমচানা খরা নক্লা চংশিনদুনা হায়রকই,

"মপান্দা অর্জুনগী মমাহনগা মথৌয়ায়মগা লৈহৌবনি। মখোয়বু ব্যবহার অমত্তং তৌরু। য়েংঙোয়, নুপামচানবু করি হায়রিবগে ?

ঐ কপ্নীংলে, হায়রুই —"খংদে ইন্দোমচা!"

"করিনো হায়রিসিবো ? তাঙ্গাসি য়ৌরবদা অমুক ঙাওশিন্নবগী মতমকা নত্রে। চৎননবা থৌরাং তৌ।"

"ইন্দোমচা ঐ চৎলোই, অর্জুন চৎচসনু!"

"নংগীদমক হায়রিবনিনে ইবেম্মা! হন্দক্কী অসিদা লৈখিদবমক থোক্লবদি পুম্নমক পেম্মররোই। ফীবমদো উবতদা মিৎতগী পি তারক্লবনি।"

"ইনাওবেম্মা! হৌজিক কাওবা ঐখোয়বু ব্বারৌরিবব্বা ?"

ইমাংদ্য চংক্লকত্তুনা অর্জুনগী মমাহন লেপ্লরে। ইন্দোমচানা হায়রকই,

"কদায় অর্জুনদি ? অর্জুন অবোক ব্বা হায়গে লাউনে।"

ইন্দোমচা অর্জুনগী কাদা চঙক্লে। ওসাইমখ ইকুমাইমা ঐঙোন্দা ব্বাহে অমফাও হায়রব্রি। হন্দক্কী হায়রকই —,

"মৌ অতোম্বী, কনানা লানবা, কনানা চুম্বা হৌজিক্কী মদু খম্নবা মতম লৈব্রে। ঈকুনা হায়রিবসে তাও, ঈওগা ঈমৌদতবু শোন্দুনা লৈহৌরবনি।"

অমুক পম্বক্লদুনা খৌদৌক্লদগে? ঐ চৎপদা তারে।

নিংশিংলকই মহাক্না হায়রিবদু "নংগীদমক ঐনা পুম্নমক কায়নবা ঙমগনি।"

চহি কন্নাগী তুংসিদগী ওসিতা হায়রবগুম নিংলকই। খল্লকই — কনানা কনাবু ইহোকলিবনো? ঐগী পুন্সিদগী মহাক লাপ্পা লৈহৌরে। ঐসু মঙোন্দগী লাপথোক্না হিংলকে। অদুবু মসি মপাম্হোংগী মিথম্নেংদতনি। হোয়, মসিমদি ঐসু মিনম্না ওমলোই মদুদি — অর্জুনগী পুন্সিগী তার মচেৎ অমত্তসু ঐনা মাবু লৌহনখিদ্রে, মদুমক্না মহাক্না মচাবু নুংশিববু ফংজবা ওমনধকত্রে। অদুবু ওসি ফাওবদসু ঐগী থম্মোয়সিনদি মঙোন্দগী লাপথোকচবা ওমজরকত্রিবনি, মাবু পুজা তৌজরিবনি। অদুদি কনাবুনো ঐনা রারোৌক্লরিবা? মশাগীতা য়েংবদা মিনুংশি পোকত্রবা, অশোনবা কনাগী অশোয়বা থিবদা হালেংবা লৈত্রবা ওসিগী মীওইপোকশিং তসিবুরা? নম্রগনা ওইদবা নমথাক্না অতৃমবু কুপশিন্দুনা থমগিবা নোক্ক-চাউবা সমাজ অসিবুরা? ঐবু অসিগুম্বা সমাজ তসিদা হিংলকখিদবরা? সমাজ হায়বসিবু কনানো? কনাবু কিদুনা কনাবু ঐনা শিংনরুরিবনো? অসিগুম্বা সমাজ অসিনা কললগী মৈরি রাররবী, পুম্মক্না মিংনা মোংনা উরবী ঐগী থম্মোয়নুংদা চেন্নিবা নুংশিবগী শেংলবা ঈচেলসিবুদি থদংপা ওমত্রবরা? যজলে, নুংশিবা অসিদি সমাজগী নত্তে, ইথক্তগীনি। ঈচাগী নুংশিবা, ঈপুরোইবগী নুংশিবা পুম্মকসে ইথক্তগীনি। ঐগী ঈচানা মপাবু নুংশিজবসু মথক্তগীনি, মহাক্না মপানা মচাবু নুংশিজবসু মপাথক্তগীনি।

থুইথককরবা থম্মোয়সিদা অনৌবা ইহল অমা কাওরকলগুম তৌরকই। রাংনা চেন্নিবা পাড়ীগী খোংজেল অমঙবোইতা নিংলকই। ওসাইমখৈ লাকমীমরিবা কনাদসু য়েংশিজনুদে,

স্নেংনুবসু শংদে। নাকলদা ফমজিবা অর্জুনগী মাঙখোংদা অমুত্তং স্নেংনুই — করিনো উরিবসিদি ? গাড়ীগী সিত্তা ওাথদুনা অর্জুন মমিং উইশিল্লি। উইশিল্লিবা মিংকী নাকচী অনিদা হৌজিক্তা পি শিঙ্খিবগী মমি তারি। এগী থম্মোয় মীহুল খোংজেল স্নাংথৎলকই, পুক্লিংদা মিপাইরকই — খেংয়ারববা এবু ?

"নাকেন্থাগী গুলাপ"

প্রমোদিনী

১১/৮/৮৮ ইং

নাকলগী মিহুৎথোং হাংদোকলুবদা সুজাতানা উরকই, থাবললনা ঈপোম হৌরবা নিংথিজরবা লৈকোল মচাদু। মশানা মশাবু কাওথোকচবা মখৈ মকা লাম্না মোমোন নোকলিবা অশিক অপিকপা লৈপান মচাশিংনা হাইরকপগুম তৌরকই — ঐথোয়গী ইতৌশি য়েংদুনা অহিং চুরা অদুমা য়েনথোকপা ওমলগদ্রা? সুজাতানসু পাওখুম পিরকই —"ওমগনি ঐগীসু থম্মোয় মচা অমদি লৈজে নখোয়গী হরাও তয়াদদুনা শরুক য়াজনদা। নখোয়ে খুদিংমক্তা ঐবু ইস্নোকপিগনু হৈরাল লৈতনা দন্দি পিবিননু। ইস্নোকপিবা থওয়ৈরিদবগী চৈনাদু ঐনা নখোয়গী নহুমদগী আশা তৌদে অদুমনি থম্মোয়দসিনা নখোয়গী মরক্তা [illegible]। অদুবুনে [illegible] [illegible] [illegible] — [illegible] [illegible]। [illegible] নিংশিংলুবদা [illegible] অনিক [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] হরাও [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] হায়না হমা অরাবা থাংহৌবদু য়েংবা ওমলোই ঐদি। চৈনাদু কমদা থাংওমদনা রাবগে হায়বদু ঐসু থংই।

মনেম-ইবেম্মাগী ইংলবা খুৎশানা থেংনরবদা সুজাতা মংফাওনৈ। — " সে নুপিমচা অহিং মমৈ ওইশিল্লক্নে। ঙাইহাক্তংদি পোত্থাসি লাকও। নশাবু নশানা হন্না হন্না ওৎচগনু। পাপ খুদিংমক্তগী খরাইদগী চাওবা পাপনি। করি নরাল লৈদুনা নশাবু হন্না হন্না দন্দি পিরিবনো ? ঐ য়েংবা ঙমদে নুপিমচা! কনাগুম্বী অমতনসু অসুম্না মশাবু মশানা অৱাবা পিরমলোই" ।

থৌজাল হৈবী মনেম্মা হাংদোক্লম্মা মিহুৎথোংদু মখুৎনা লোনশিনখরে। মপালগী তাইবংপানবু শেৎনবদা খাংঙমদনা ৱাজরষি মমৌনুপীবু মথানুংদা চেৎনা কোনশিন্নীদুনা শিস্থরক্সিবা পিরিকশিংদু তনিকলবী খুৎশাশিংদুনা তৈথোকপিরি। নুংশিরবা থোৎলবা থম্মোয়গী ওইবা ৱাহৈতনা বকভাঙনরম্বিদুবু থেমজিন্নীদুনা হায়রকই—কপকনু নুপিমচা, নংগী পিরিকশিংসিনা ঐগী থম্মোয়সিবু হেন্না অৱাবা পিহল্লগনু — । নহাক্কী থম্মোয় কদায় য়ৌনা শোক্লবগে হায়বদুসু ঐ খংই। মুৎলুরবা ঐগী পুন্সি মৈরাবু থৌজালহৈবী নহাক্না নৌহৌননা চুখৎপিখিবা নত্রা ? নংগুম্বী থম্মোয়গী লন মরাঙ কায়বী অমনা অদুম্না কন্না হৌনদে। ৱাহৈদো সুজাতাগী মফমদদি ৱানা থুপচিন্দুনা থমগ্ৰবা হৌগ্ৰবা পুন্সি অমগী লংলা লংজিল কাংথোক্লকই। খুন শিনবা থুংনা তমথিরবা লাইওং খংদ্ৰবা লায়না অমনা পুম্মক অশি লৈবাক্তা চিংদুনা পুখিখি। লাইবক থিরবী মহাক্কী পুম্মক শক্লবী মমাসু মহাকপু তাইবংসিদা হনজেকপিরমই সুপ্পথক্কী থোংজাও অমথক্কী হাংদোকতুনা মহাকপু চংজক্কম পিনখিখি। পাক চাওই হায়রিবা তাইবংপানসিদ চংজক্কম পিনখিখিবী মহাক অদুগী মথানুংদনি ঙসিসু পিক্লীবা অঙাং মচাওম কপলিবনি। নিঙাই তৌদুনা ওইনখ্রিবী মমৌপীদমক

থেমজিন্নবা মনেমগী মিৎকী পি ঙসিস্ থক্তরি। থম্মোয় অনিগী পিরিকশিংদুগী মমল অমমা অমবু থংখিদবা মীকুপ অমতস্ য়াওখিদরি মদুমক্তা ঙসিস্ কাথোক্কবা য়াদ্রবা থম্মোয় অনিদু শকউদ্রবা উইরবা খৌরি অমনা চেৎনা পুনশিন্দুনা থমশিবনি। মরাল লৈতনা হক্কবা মরালগী দন্দি পুরিবী মচা শক্কবী মমৌগী পোৎলুমদো মশামকস্ য়াওনা পুদুনা শরুক য়ারি —।

কয়াম কুইনা অসুম্মা হৌহনখিবা মতমনো থংহৌদ্রে। অঙনবা অয়ুক্কী মঙাল উরক্লে। থংহৌদনা নক্কা খোংউপকী মখোংস্ তারক্লে। ডা: মিনানি হায়বা সুজাতা থংই। চোইজাইরম্বা শম্মাং লোইশিন খোমজিনজে। কংখিব্দা ভাইরিবা পিগী মমিদু হৈশিংলবী মিনাগী মফমদা লোৎশিঞ্জবা ঙমদ্রে। মনাক্তা নক্কা ফমলদুনা মিনানা হায়রকই —

"নথম্মোয়দু খজিত্তং ফাওবা কনশিঞ্জবা ঙমলোইদ্রা ? হোৎনৌ। হোৎনদ্রবদি থক ঙমলোই। নুপী ওইবীশিংগী অশোনবা থম্মোয়দু লোৎশিন্দুনা থমখো মদুগীস্ মতম লাকখিনি। মতমসে অসুম্মা হৌহনখিনু। আশাবু ওৎকনু, মফমসিদদি নথম্মোয়দু ব্রজগুম কনগদবনি।

ঙসিত নত্তে নুমিৎ থুদিংমীনি ডাঃ মিনানা থেমজিনখিরখিবা। থম্মোয়বু থম্মোয় অমনা অহোংবা পুবিরকখি। হিংনিংবগী খৌনা হাশিখি। পুন্সি অমগীদমক পুন্সি অমনা অরা নুঙাই শরুক য়ারি। অদুবু সুজাতাগী নুং ফাওনা উরা ঙরা মিৎ লৈজদবনা মিনাগী থম্মোয়বু খৌন উদে। সুপ্পথক্কী চম্বী থুজং চনুরাদুনা থম্বি মহাক লমলাক্কী নত্তে। মহাক্কী পুন্সিবু হিংগৎহনবিরিবা শকউদ্রবা থম্মোয় অমগী মূর্তিনি।

ঙসিদি হোৎনবগী মখা পোল্লী হায়নসিমক ময়েক শেংলে। থৌন্নালগী মুরিগী শকলোন পুবিদুগী হোৎনজমন লেম্না মাংদ্রে। কুংলুরবা মনেমগী পুন্সি পামেলসু আশাগী লৈরাংশিংনা য়োমশিন্দুনা শাৎলে। মনেমগী থম্মোয়নসু নুমিৎ চুপ্পা মিনাগী শিংবা ঙমলরোইদবা লমন্দুগীদমক ৱাহল্লি। তমজনিংই মচানুপাদা অসিগুম্বী থৌজাল হৈবীসে তাইবঙদা থক লৈরমলোই। অদুবু কদায় অৱা নুঙাই ৱারি তমজনিংবা মচাদুদি তামখ্রে। মহাক্কী অনিংবগী মাইয়োক্তা লেপল্লুবনা মমামকপু অসুক তমথিনা ৱারৌখিত্রা খল্লি। মচানা মখাদা কয়াম কুইনা নিঙাই তৌগদগে, ইচানিদনা ঐনা পোকচবা " ৱাখল্লসিমক্কা ঙসিসু হিংলি।

হোস্টপিতাল থাদোকললমদাই খুদিংগীনি মিনানা চংলকতুনা য়েংশিনবিরিবা। হিদাক চাং নাইনা চাদবগী পীশুম শুকতুনা শাওজিনরম্মী। মতম চানা তুমদবগী, চাবা থ.কপদা থওইদবগী মমল য়ায়বা পাওতাক পিবিরম্মী। ঙসিদি সুজাতানা ডাঃ না হায়বা অমত্তা হিক্তোকত্রে। হাইবা ইম্মী নুপিমচা অমগুম মফম মতম য়েংদুনা মতোমতা মশাগী মথৌ পাংথোকচরে। ঙাইহাক শংবদা খল্লি "সংসারসিদা অসিগুম্মী মীওইসু লৈবোইরে মদুদি কনাগীদমক ৱাজবদা মশামকপু কাওথোকচবী"। থাজে সুজাতানা ঐখোয়না নিংবা ঙাক অচুম্বা নৎলমদ্রে নিংলুদকা [illegible] কয়া অমসু অচুম্বা অশেংবা ওইরমলে।

নিংশিংলুবদা সুজাতা হৌজিক্তা ইকাইজরকই। অঙাং মচাগুম নিঙাই কয়া তৌখিবদু মিৎমাংদা উরকই —

—"ঐ হিদাক চারোই হায়ল্লিবসিনি।

—"ঐন্না হায়রিবসিনি চাদ্রবা ওকয়া য়ারোই।

—ঐ হিংনিংদ্রে। হিংনিংবগী অপাম্মা লোইখ্রে।

— নং হিংগদবনি হিংদবা য়ারোই। ওসি ফাওবা পৃথিবীগী থোংচৎ হোংদ্রি নহাক্না য়েংদ্রে খঙ্গিবদু অরানবনি। মফম মতমনা খজিক শিন্থহনবনি, মতমদো থুংলরগনি ইকুই কুইদনা। নং থাজো অথাংকনবা নুপি ওইবীগী মৈতেংনি। ওাকপিহৈবীগী মুর্তিনি।

— নুপি ওইবীশিংগী অথাংকনবনা করিগুম্বদা পাংদবী ওইহল্লী। ওাকপীহৈবী ওইরুবদগী মরাল কয়া ত্রৌবদা নিংহুহন্দে। সমাজসিনবু নুপিতবু অর্থ লাম্না লৌবি।

— তাইবংপানগী তোওান তোওান্না মির্থয়েংনা গুনাপপু নাত্তোনচাবী ওইনা উরবসু মতম খরদংগীনি। মহাক্কী অশেংবা শক্তম, মৈনম কৈদৌনুংদসু মাংবা নাইরোই চমহাংদা হৌবী মৈনম চেন্দবী নাত্তোনচাবীমচবু য়াকচিংগী উনথাবু কিম্বিবনী অশেংবা গুনাপনদি খুদিংমকপু তেমশিংনদুনা শাথম্বিবদু নহাক খক উখিদবরা?

সুজাতা মতোমতা ইকাইজরকপনা থাংবা ওমদ্রে। কান্নুদগী ভুমিন্না লৈকোল য়ৌরক্কে। মতম অমদা খীংলম্বদু ডাঃ মিনানা লৌথোকপিখরে অদুবনি ওজিত্নু লৈকোল থুংনা চৎতুনা অহোংবা তাইবঙ থোংচৎনা মাল্লেমদা পুম্নিরকপা অহোংবশিং য়েংলিবা। মজদগী মনুং হুনজিনবা অর্থ থাম্লোয় কাচিন খুদিংদা থিন্নি। মীকুপতুদা মনেম্না মমাংমজদ্রা লেপত্নরে। অদুক হরাও তয়াম্বী মনেমগী শক্তম করিগুম্না মীকুপ অমত্তদসু উখিদরি। সুজাতাগী মমুম্না চিঠি অমা খমলদুনা হায়রকই —

— চে.নুপিক্তা ঈশ্বরগী চিঠীনি। পাত অমুক্তা। মহেংখাক ঐথোকবু লৌবা লাকনি হায় ডাঃ মিনানা।

ইমাম্বাগী কল্লবা ইচেলনা পাথোক্সদৌবগী নিক-নিক লাওব্রবদা শোল্লবা লৈরায়না ওাকতুনা থক্কগুম সুজাতাগী মিৎলুদগী থিংগুমদবা পিগী ইচেলবু মিৎপান অনিনা হ্বানা ওাকতুনা থমলি। কুইদে মিকুপ থরগী তুংদা মক্কেকশিংদা পাথোররুবা পিরিকশিংদু হন্না হন্না চামথোকখরে। ওসিদি মনেমদু মমৌবু থেমজিন্দ্রে পিরাংশিংদু অদুমক মনিং ভৌহল্লে। লৈকোলগী লৈপান মচাশিংদুনা অমগা অমগা য়েংনদুনা হায়নবগুম তৌখি — থংলেদনা অরাবত মগুনা মুওাইবদসু পিরাং শিষ্টে।

ডাঃ মিনাগী হ্বাহৈশিংদুগী মনুং হুনজিনবা অর্থ ওসিদি মস্লেক শেংলে। মিৎমাংদা উরকলে সুজাতাগী উনথাবু কিদনা শুলাপ্ন মোমোন নোকলিবদু। মিকুপসি ডাঃ মিনানা মনাক্তা লৈরম্নবা বরতনা থন্নবা অশির্বাদ হূজোক হূজোক হৈথদুনা পেন্নবা লাইবক চাওবীদুবু য়েংজরমগদবনি।

অহিং-মমৈ ওইশিংকলে, সুজাতা তুমথবা হ্মদ্রে। ওইনচাওবী মাগী থম্মোয়দুনা অকনবা নিওাই হৌরকপদুদা নিদ্রা লাইরেম্বীগু মাপ্না চেনথ্রমালে।

—"ঐগী ইরাল করিনো ? ঐসিবু অসুক হ্বাহল্লগা করি অগেল্লনো মহাক্কা ফংথিবদুবু। ঐদি হায়রিবসিনি মওোন্দা লমন থুমদবা থক ওমলোই। তুমিহ্য লৈথোক্কনু। অশোনবা মতৌদু উৎতুনা কপলোইদবনি। থৌনা ফবী ওইগদবনি ঐ থংই নহাক লোনথোক্কবী নত্তে হায়বসি। মদু ওমদ্রবদি ঐনা হায়গনি নহাক্কী নুংশিবদু নমথাক্লি, ওইজবা থিবনি। কাওব্রবরা ওসিদি মহাকপু ওৎসিন্নিরা... শাইৎবা মতম কয়াগী চৈনা মাপেশিংদু।

সুজাতানা নিঙাই চাওবী থম্মোক্লবু থেমজিন্দুনা হায়রকই ... ঐ ইশানা য়াজে ঐ পাংদবীনি হায়বা "ইফমদা থাংঙমদনা য়াখিবা থওইবিদবগী চৈনাদু মফমদা অমুক পিদুনা লমন থুম্না ঐ ঙমলোই। নুংশিবা মহাক্কী মফমদদি ঐসে থরাইদগী পাঙ্গল শোন্নবিনি।

য়াথলগী লায়নানা নারদুনা জান য়াওদনা হোস্পিটালদা অহান্না ওইনা পুরকখিবা নুমিৎ অদুদা ডাঃ মিনাদি থংখি সুজাতাগী মনুং হুনজিনবা পরিচয়। নুপি ওইবিশিংগী অন্নাবা নুপি ওইবিশিংতনা থংই। অমরোমদা কায়না মৈশা লাংলবী পুন্সি অমনা কায়বা হৌররকবা থম্মোয় অমবু থক থুগাইনিংদে অদুননি ডাঃ মিনানা অনৌবা পুন্সি অমগী সংসার শেমগৎচরকখিবা। মহাক্কীদমক দিগক্কী মফমদা হন্না হন্না চিঠী ইখি। শেংলবী থম্মোয় অমগী অরোইবা য়াকৎ অদু তাবা ঙমদ্রদুনা ইরকখিবা চিঠীদুমক্কা সুজাতাগী মফমদদি মংলমদনা চুথরকখিবা নোংঙম থোকখি।

ডাঃ মিনাগী তরোনবা থৌরাং কমাসু থংখিদে ফরিঙদা সুজাতাগী নুং ফাওনা উবা ফংবা মিৎয়েংদুমক লৈজরম্নবদি শোয়দনা থংলমগনি ডাঃ মিনা নুংশিবগীদমক পুম্নমক থাদোক্কবিনি অমদি কৎথোক্কবিনি। সুজাতানা থনজবদি মহাক্কী অন্নাবদা হেন্না য়াবিরিবা মহাক্কী পিরাংশিংগী অশেংবা অর্থ থংবিরিবা মহাক্কী লমনদি থক শিংঙম্নরোই।

অয়ুক্তা ঙয়া ডাঃ মিনানা হোস্পিটালদগী চুক্কী লৌথি। হল্লকপগা মাগী কাগী থোঙ থোঙনাও পুম্নমক লোনশিন্দুনা হিপলি। তপ্না হৌগৎলদুনা কুইনা হাংদোকল্লুদ্রবা অমম্না ডাইরিদু পাইদুনা হাংদোকলুরি। থংহৌদনা নাম্বরকপা অমম্না চিঠী অমা থুনগৎতুনা পাক্করি। মানি, চিঠীদুমক্কী। মিৎকী

পিনা হয়া হয়া চামথোকপিখিদুনা ইচাই চাইরবা মমেকশিংদু অরোইবা ওইনা অমুত্তং থারুই। ঙসিদি থম্মোয়দু মচি মেংহনবা ঙমদ্রমাসে অনৌবা পিরিক অমুক শিন্নরকখিদরে মিনা,–

ঐগী থম্মোয়গী মিনা, রাহেশিনা মহাক্কী থম্মোয়বু মচেৎ কম্মা থোক্কা কাইহনগমি হায়বা খংলবনি অদুবু ঐ নহমদা মীনবা থক ঙমলোই। তমথিরবা লৈই অমনা নঙ ঐগী মরক্তা খাজিমখিবত্ত নত্তন্ম পুন্সি অনিবুসু তামনহল্লে। ঐবু পেংবা চৈন্ন মহাক্কা তৌবা অভিশাপ ঐ ফংবা ওইগে। অদুবু অশেংবা মরমসিজতংদি খংখো, ঐহাক ইমাগী হিত্তোবংহেদ্রবা য়াথং ইকৌকথক্তা ইশানা য়ানা থোজৎচরবনি।

মিনা, পাংদ্রবা ঙাকপিবা ঙমলরোইদবা ইরাল চৈরবা ঐবু কন্নিঙমা পুন্সিগী মিকুপ অমদা চহকম লাক্কবদি শোক্লদনা নিংশিংলকউ। নুমিৎ অদু লাকক্কিফাওবদি ঐ মফমসিদা তাম্না নপাওত্তবু ঙাইদুনা লৈরি।

নহাক্কী দিশক

ঙসিদি মহৌশাগুম চিঠীদু অমুক থুপচিন্দুনা থমজিল্লে। ঙুই লৈথবিদ্রবা ফেনগী শহুম্না কাদু শিন থুংনা পুদুনা শাম্নরি। লোইশিনবিদ্রবা মিনাগী শম্মাংশিংসু ইথক ইপোম হৌনা হরাও তয়াম্মি। হৌজিক্তী মহাক্কী থম্মোয় ইপাক্তা রারৌবা পেন্দবা অমত্তা লৈখিদরে। থম্মোয়বু লাকশিজদুনা চেৎনা লোইশিন থোমজিন্দুনা থমখরে। অরোইবা ওইনা কন্নিঙমা থরদংদি ইরমগে খন্দুনা চে কলম পাইখৎলক্লে।

নুংশিরবী ইনাও,

করিগুম্বা পুন্সিগী হরাও তয়াম্বা মিকুপ অমদা ঐ কনানো হান্নবা য়াহংসিমক ইনাওগী থম্মোয়নুংদা হংনিংবা পোক্লবদি ওসি ঐগী পরিচয় নফমদা পিরমগে। ইনাও ঐ নহাক্কী পুন্সি খোংলোই ওইরিবা দিপক্কী পুন্সি লমদাং অমগী নাথৌরবা যাত্রিক অমনি। হন্দুনা চৎপা য়াদ্রবা মতম অমগী পুন্সি লম্বীগী খোংলোইনি, মরুপনি। নং ওক্লনু, ঐবুসু ওক্লনু। নহাক্না ঐবু নুংশিবগী খুরবা কাখুনুংদগী ইনিং তমহল্লে নহাকপু করিগুম্বদা থেংনরমদ্রবা ঐহাক্ ওসিসু হকলবা নুংশি পোৎলুম অমদি অদুমক পুদুনা লৈরমগনি।

ইনাও করিগুম্বদা নহাকসু থম্মোয় পানবি ওইরম্লবদি চাংয়েংউ নুংশিবগী সংসার অসি কয়াদা মপাল নাইদনা পাক চাওবগে হায়রদু। ঐদি ওপ্নতগী নুংশিবা অদুগী মপান্না ইনাওগী মতেং পাংজবা ওমলম্লনি।

সুজাতা নহাক হৌজিকসু কিরিব্রা — য়াকচিংকী উনখা?

নহাক্কী নচে,
মিনা।

"গেরুবা মচুগী জর্সি"

মুগেশ্বর রাইখম্
খোৱাম,
তাং ৯/৮/৯৪ ইং।

বিশ্ববিদ্যালয়দগী হায়দোরকপদ, হোজাং ময়া নক্ক মনজুনরব ঈন কুপ্প শং মচা অমা লৈ। শংদূদ তরা পিদূন লৈব ওইরমালে, মশাস্রু, রাখলস্রু কোহিলং কারুব নিপা ছমান এবু উবা মিকুপ থুদিংদ য়াম্ন তরাম তরায় কৌই। নুমিৎ থুদিং বিশ্ববিদ্যালয়দগী হকপদ উকুগী শিড়ি মথক্ত ফমগ এবু ভাইদুন লৈরমই। উবগা হেক্ত কৌরকই,

—মেম্মা, ক্লাস লোইরবরা?

মহাক্ক উবদ হঙোইরগ তৌই। মতৌদুন খোইদৌসি শাওগৎহন্নি। থুম্নিংদ থুম্নিংদ থুমই,

—লোইরে।

—হৌজিক কদাইদমো?

—য়ুমদ হজগে লাক্লবনি।

—চৎলো চৎলো। নুমিৎ তাপ্লিজেন ঙুম য়োৌনব চৎন্নুকো।

অহান্নদদি মশক উবদ পুক্নিংদ কি-তুক্কচব পোক্লম্মী। খমল্লুই — মরমচাদন ঐঙোন্দ হেন্ন নুংশি চাওব উৎপিরিবসিবু করিগীনো? অদুবু, তোইশিঙ্গকব মতুংদদি থোইন চিংনব লৈরকত্রে। পুক্নিংদদি অসুম মথল্লি বিশ্ববিদ্যালয়দ তম্লিবী শকথংদবী লৈশাবী অমাবু মরম চাদন অসুক্কী মতিক লুনা তৌরিবসি করিগীনো? মসিগী মরম'ম পোইদনবক থম্মোয়গী মুখল মরুমদ লোৎতুন থম্নমগনি। চিংনমিংঙাইনি। মহাক্কী মওং মতৌদুন মীথোই মীহেন তামরিবী ঐগী মরুপ মপাং কল্লান মহাকপু শকথংব হৌরক্কে। নুমিৎ খুদিং ঙাইদুন লৈরম্মী, ঙসিশু ঙাইদুন লৈরম্মী।

থাপতরু মহাক উবদ ব্রাঙাং হৈবী লৈমান নাশোল ওইন হায়রকই,

—সনা, অমম্র নিপাসে নংবু ঙাইদুন লৈরে।

অশেংবনি, মরুব মাইথোং, লুজদব মওং মতৌনি। মকোক মরু ইফা ফা, মকোই মরাং ইচোম চোম, মওং তাদন শেৎলি চারিব ফিজোলদুমক্ক থৌগৎচদ্রব মহাক অদুন-ইমাহূবী ময়াম মমাংদ কৌরকনি খললুবদ মিপাইজরব ঐগী থম্মোয়নি। লৈমগী ব্রাঙাংদু তাবদ মহাক্কী মতৌদুগ চুনমনখ্রদুন ঐখোই অপুম্ন হৌন থংনোক নোকখি। ঐখোইদ ময়ামগী মিনোকতুগী অর্থ মহাক মাংজোম্ন থংলমাল্লে, ঐখোইদ মিৎচিন হাইফেৎ য়েংলম্মী অনুদগী পিরিজগী নুমখক তম্ন তম্ন-মাগী কাদ অদুমক চংখরে। অমুক হন্ন কৌরম্মদরে।

মহাক্কী অনৌব অহোংবদুন ঐখোই পুম্নমক্কী থম্মোয়দ করিনো'ম কাওহল্লি। নুমিৎতুদগী মহাক্কী মশক অমুক হন্ন উব ফংদ্রিত্রে।

ন্যোংম, ইথাহেক থাজদন নুংথল গোবোবত মহাক ঐগী য়ুমদ লাকখি। কালেনগী নুংশা মণ্ডালন মিংতে য়েংতুম খিরগুম য়াক্ত শাই। লু-তোং অপুম অশাব ঈশিংদ ফুংগণ্ডম ওয়াং ওনশাওই।

করম হাইন ঐগী য়ুম খিরকাইবনো থরদ মমই। মরমদি ঐন মওোন্দ ইশাগী শক তাকতুন মরি মখোং হাইখিব লৈতে। শারব কালেন নুংশাদুদ মহাকী মরিন তরুব, থরেক কারুব গেরুরা মচুগী শামতু অসিদু থাদোকপ লৈতে। মমাই মমিৎ অদুমক কোহিলং কারি। মচু থোকত্রব মতৌদু গুরগুন মহাক ঐগী মাংদ লেপ্লরে। অওকপনি, ইমুং মনুং ইবুং ইপরাশিংগী মমাংদ ইকায়বন থম থেংখি। ঐহাক উবদ করিমত্ত নাডুংনুব লৈতন মহাক্ত কৌরকখি, — মেম্মা, নংগী য়ুম খিবদ কয়া রাপ্রে। ননাক্ত অমুক্ত লাক্কে থরনি কয়াদি কুইরে—। ওসিদি ঐহাকী মিংথ থুংলে।

শৈরেং খিবগুম মরি মরি ভাংথরকই। রাথল ফুমরংনন ঐন হাইজে,

—ফিদাদ লেংশিনবিয়ু।

—ফিদাদ কয় কয় মথা তারকই,

—পরিক্কাদি কমদৌরে?

—পরিক্কা তৌম্রি। হৌজিকদু করি হাইবিনিঙ্গব লৈমগে?

—থোইদোকপ লৈতে, চুম উমব লাকপনি। ঈশিং গ্লাস অমম্থংদি পিজক্রেরা?

—কলি।

ঈশিং পুথোকতুন মথুৎত পিরে। ঐগী মাইথোংদক মিৎরোং থম থম ঈশিং থকখি। ঐগী হৈনিংদব ইতৌদু উবদ মপুক্কিংদ

কন্নিবু মনবনো হংদে মহাকী মিৎশ্রু অনিদ হংহৌদনা ইহৌরকখি। অদুদগী মাইখোংদু তম্ন অদুমক মেখোকপ্রে। অমুক [illegible]কখিব্রে।

ওহাক মৈরব মতুংদ অহাংব মাসংদ মিৎয়েং থম্লদুনা হাইরকই,

—এগী জসিসি য়াম মরে। নং অমত্তং ময়োনবিগেরা ?

—পরিক্ষা য়াম নকশিন্নরে, হৌজিক্তি ওমগদব মাপ্তে।

—অদুওইরবদি মাইরিক কম্ন পারো। পরিক্ষা লোইরব কান্দ অমত্তংদি ময়োনবীয়ু। নং মৈনব পৈশা থম্লগে।

—পৈশাদু থম্মীরমগনু এ কোম্ন মোজগে।

এগী মাদু তাবদ শাংনা অমুত্তং য়েংলকই অদুদগী তম্ন মখা তারকই,

—মেমা, হৌজিক্তি এহাক ভোইনা লাকপ ওমগদব মাপ্তে। পৈশাসি অদুমক মৈহৌরসনু। নংগী পারিক্ষা লোইরব মতুংদ নোংম তানচাব য়েংলগ নংনা ময়োনবীব জসিনু মৌব ওইনা লাকগে।

অদুকটই পুক্রিং থক্কিক মহুন মখা তারকই,

—মেমা, খুদোংচাম্রব মতমদ অহিং অমত ওইরকপু এগী [illegible] পিয়োইদবা ?

চম্ন মুকা মৈজবী, নিংতোল ওইবী অমান মাহংদুদ করি পাওখুম পিরমনি। থম্মোয়সি চিং-চিং লাওই, নিংদোল পিং-পিং চোংই।

এগী ইতৌমু ইমমু মখা তারকখিবে। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। ইশিং [illegible] [illegible]

থকহি। নোট নতুন ... ... —খৌনী হৈনিংদব ইপোদুন মহাক মতম ... ... কাওব ভমখিদে। চংলমদাইদ চিংন ভমুক ... থংমোইদ করিনো'ম তৌন পুঙমদ্রব পোৎলুম'ম পুদুন চৎখিব ... ।

মতম কুইরবা মতুংদ মহাক্ত পামজব লেরুরা মচুপী জাসিদু লোম জোইকে। অদুবু মহাক্তি জাসিদু তৌব ... হুম লাকখিদরে।

যোৎম ... (... পত্র) সার্টিফিকেত তৌব চৎলুই। ... চাংথী ... কোক হেক থোংবিরে। মহাক্ত এখোন্দ ... ...।

—অনী মহাক্তী ... ... মহারোজ ... য়াওৎনি। মশক লোৎনব হোৎনবদ শকনোম করা পুরম, খুমাইসিন্দ ... চেলন মীখাইনি। অদু সকখিদন ... ...

... সনা, মীওইবগী লাইকক হাইবসিদু ... তমখিরে। ... ... মহাক্তী ... ... অরোম পুখাই শিজিন্নবগী ক্রেনিং ... ... মচম নুপীদু ... ... । ... ... কম ... । ... খোঙ্গুম ... ... নিঙনি।

অদুবু সনা, মহাক ভসিন নংবু হেক ... ...

জর্সিদু মতমতুমদ মহাক্ত থদোকপ নৈতে। মহাকতু হৌখিব চহিদ সহরপী চীদাইদ মায়োক্তব খুং থোক্তব নানকম অমাদ য়াওব্রবরা চিংনরি।

মুমদ হমক্তব মতুংদ, চিক্ত ইথমত ৱিড়িং রুমদ ফমদুন পোথারিঙেদ মকশিক্তব মাইথোংদু মিৎসিদ উরকই, মহৌশাওম অদুমক কোহিলং কারি। অদুদগী মহাক্তী জর্সিদু নিংশিংলকই।

খুনাং চারব অমম্ব ঐগী ইবুংদুবু ঐন ঙসিতমক মনাক থংলি। মহাক্তী য়াখনা পুকিংথি শিক্তকম থংলকরে।

জর্সি অমত্তং লোম্ৰীনব, অহিং অমত্তংগী য়ারেককম নিজক্তমরি মিৎলু পিরাং ঈহৌনন। পিক্তব থম্মোইসিন মহাকপু ইয়োকপি। মহাকতুব্ব ক্তময়বঙশালসি থাদোকতুন নিংঙাইদন চৎপ্রব জাৎলা? ঙসিগী থেংমব তাংলৌসিদ মহাক্ত পামজব পেক্তবা মচুগী জর্সিসি কোন্দুন ঙাইজরিবী লমহেন্নবী মচল ঐবু মিংনিংথিরমখিনাবা?

হৌজিক্তি ঐগী থম্মোইসি মহাক্তী য়াখনা অমুক অমুক নুংথক্তক্তে।

রোহিনি পার্ক

বিদ্যা

দিল্লি, তাং ১৪/১২/৯৪ ইং।

দেবনগর।

চহিচুপ্পা নোং চুদব, লৈঙোয়লম ওইন তৌবনা শগোলগাড়ী তোংদুন চৎপদু উক্নল য়াম হৌই। নুংশাম্না ওয়োকন য়াকনা শাগ্রে। খোৗগংব, খোৗরাংব পোক্লকই লমশাং য়াকপদু। নাক-য়্যেৎ ঈশিং মরীক অম ফংবগী খুদম উদে। খোৗরাংবনসু প্রোক-প্রোক চাক্লকই। গাড়ীবালানা হাক্লবদি এন থুংলুপদৌরিব মফমদুসু থুমহী চেম্ব থল্লাক্লব ঈশিংতমক ফংই।

লম্বী তংখায় চনশিল্লকপগী লমদাং অমদ ভাইহাক্তং পোখ্রাখ্রিসি হায়নরে। মনা পুঙব উক্লম লাংব উ পাম্বী থর হৌব মফমনি, উনাগী খাংপোক অমত্তা লৈ, মদুদ লৈচাক, লশিং অমদি তরেং লৈব উই। যাত্রিক থরত্ত মফমসিদ হাইন থুংলদুন পোখানরম্ব উই। ঈশিং মরীক অমত্তংফাওব ফংবগী লম্বী উম্বব মফমসিদ ফিঙৌ শেংগী মশা-মউ চাউ-শাংবী হন্নুবী অমন খাংপোক মনুংদগী অথম্ব ঈশিং চঙ্কু পুথোক্লকতুন খোৗরাংবন চোকথরব যাত্রিকশিংগী অরাব কোকহজিবদু উক্লকই।

মথং মথং চৎনাগ্রে, মান আশির্ব্বাদ পীরদুন লেপহৌই। ঐখোয়ন চংশিন্নকপ উবদ মকা লাম্ন মায়থোং উৎলদুন তরাম্ন ওক্লকই। উরুমদ থারিব ফক মচাদুদ ফম্নব হায়রকখি। খৌরাংবন চাকথেক্লব ঐখোয়গী অপাম্নদু মওোন্দ লুন থোক্লমদে। চক্ষুদগী ঈংলব ঈশিংন খুজোক থম্ন হৈথবীরদুন হায়রকই,

—পেন্দ্রিফাওব থকউসে, লমশাং চৎপদ হাররিগনি।

ঈশিং থক্ল থক্ল উরকই, চক্ষু পায়রিব মাগী ওইথংবা খুনিংথৌদ শিরিব অশংব হীরাগী খুদোপ, মদুদ খুৎহৈব কনান হকতুন মিং অমসু ইরি— "রাধাকান্ত"। মদু উরুবমতুদ নিংশিংলকই—আশ্রমদ গুরুদেবন অরোইব য়াহীপ তান্নমদাইদ শিন্নরম্ন শংবান্নব হীরাগী খুদোপতু। মদু ইমান শিংবিরম্ননি হায়।

চোকথরম্ন হকচাংসি তেকখৎলক্লে, মাওন্নরব পাঙল অমুক হজিন্নকলে। যাত্রিকশিংগী সেবাদ কথোক্লবী, পুম্নমক্লী মমা শকপী, পুন্য চেন্নীনুগী মফমদগী আশির্ব্বাদ নিজরগ মফমদু থাদোক্লে।

থোংচৎ মথা চম্নরকই। ঐখোয়গী খোংচৎপু মঙল পীরদুন লেপহৌই, মিৎকুপতমখৈ ঐখোয়গী মায়কৈ য়েংহৌই। অতোম্নগী খৌরাংব কোকখিবদ মশাগী আশা লিশীং লিশীং মপুং ফারবগুম পেজহৌরি। চহী কয়াগী নোংজু-নুংশা, নোংমৈ-নুংশিৎ অমদি উনখাতন তাশিন্দুন শেমগ্রব অখাংকন্নগী মুর্ত্তিদু লেপতুন লৈহৌই।

হুমনি ওবগী নুংখিল পোবোপত গুরুদেবন তাকপিরম্ন মফমদু লোৗরে। লমকোয়ব লাকপ মীওইশিং নত্তন মফমসিদ কনামত্তন খুন্দা-লৈতাদুন লৈবদি উদে। মতম অমগী নিংথৌগী ফমনাইব অমগী মচানি হায়ব ভমত্তংদি মফমদুদ থেংনৈ। য়া ভাংবফাও ফজন্নু থোকক্লব অংলদুন ওাইহাক শন্নরগ ইঙক-ওকন হায়রকই,

—রোহিনি হায়ব! কোনুংসিদদি রোহিনি কৌবী নুপী অমত্তগী মিং ঐ তাখিদ্রি। মপুরোইবগী মমিংদি করি কৌই?

ঐন নীংব কায়েন খুমল্লুই,

—মপুরোইবগী মিংদি খংজদ্রে ।

তশেংনমক গুরুদেবন মিং অদুমদি তাকপিরমদ্রে । ঐন খল্লগী অদুদি মীশক অসিতংবু থেংনখ্রবদি পোকপদগী মশক উব ফংজরকক্রব, নৌন মপুরোইব কাম্লনপ্রব ঐগী মরাইবক খীর্ব্রী ইমাগী মল্লী মথোং শোয়দন ফংলগনি হায়ন । হৌজিক্তি ঐগী থোংচৎ অসি মাহ য়াদ্দন হৃয় তারে ।

তেক কায়রব, বীস্থরব কোনুংগী দরবার, জগোই-ঈশেংগী শংলেন, মন্দির — পুম্মক হিস্টরিকেল মোনুমেন্টস প্রিজেভেন এক্টকী মথাদ সরকারন ঙাক শেন্দুন থম্মি, টুরিজম বিভাগন মফমসি ফজন শেমগৎ শাগৎতুন টুরিস্টশিং চিংশিনব থৌরাং য়াৎলি । ঐন মথং মথং উরকই, — পুমকং কংলব লৈমশিংগী ঈরুজফম, তেৎ-তৎতুন তারিব মন্দিরগী শরীকশিং । মতম অমগী লৈকোল ওইরম্ম মফম ওইরমাদে সগ্গী জগোয়শাবীশিংগী অশাবা মুর্তিশিং তেক-কায়দুন তারিবসিনা । ঐ অদুম হৈরক্রে ।

"রোহিনি"গী লংলা লংঙ্গিন থিব ফংদন চহী কয়া অম চৎখ্রে । অদোইব ওইন গুরুদেবন তাবপিরম্ম মতম অমগী কোনুংগী পণ্ডিত ওইরম্ম মীশক অমগী লাইরিকশংদ মরুপ অমগী মতেংদগী য়াম্ম রান খিদুন লাক্রে । পণ্ডিত অদুদি শিখিব কুইরে হায় । লাইরিকশংদুদ কোয়ফাক ফাকতুন থি-হুমদুন য়েংই । মচব, ঙাংশিনব, মতৎ-মতৎ তৌব মচোয় তারব কেলেং অমগী ইতিহাস হৃৎই — লৈকাং চুরে, ওম চাশিরে, চেন্যাশিংদু চান-চানব য়েংদুন মথং মনাউ শেমদুনা শানব হোৎনরে ।

ইতিহাস অদগী অরোইব তাঙ্কক মিং অসি লৌংনথি "রোহিনি" । হৌজিক ঐগী মীৎহৃদ শিনু ছুমকই,

থম্মোইদ হরাউ তুজুংব পোক্লদুন ইচায় চায়থোক্লব কানিংগী মুক্ল ইংনিব, পাব ব্লারংদব মুংশি-মুংশিব মুইদু পায়মব লাক্লকই, পাথরকই —

"রোহিনি" — পোক্ল-শম্মব য়াদে, অমাংব জাংনি হায়ন ঈঙ্গোক্লব মীনাইনুবী অমগী মচা নিংঙোল। তশেংবদি অপোকপ পান্থৌদি কোনুংগী কমাইবনি, মমাবু লোম লুহোংবিখিবনি। পরিচয় তাক্লম্ম নংদন মপা-মমা অনিমক নোঙ্গাপ্রে। অশেংব ঈ থংবীদ্রব রোহিনি কোনুংগী মীনাইনুবী ওইন হৈরকই।

পুজারি অচৌবগী মজাইবুংঙো কোনুংগী লাইরিকশংগী পণ্ডিত অচৌবগী ওমথংনি। মঙ্গাকথক্তংদি রোহিনিগী অশেংব পরিচয় থংলম্মী। অশেংব অসি তাক্লনব মহাক্ল লাইরিকশংগী অরোম্ম চে-চাং খর লোংশিন্দুন থম্মী। মসিদ নত্তন রোহিনিবু মন্দিরদ লোম লুহোংবিরম্মী। মন্দিরগী পুজারিগী মচা লাইরিকশংগী পণ্ডিত ওমথংমক্ল অমাংব জাংকি মীনাইনুবী অমবু লুহোংলে থংনরকপদ দল্লবারদ চরাংনব -অম থোক্লে। বিচার লোইশংদ কৌথংতুন অকম্ম য়াহং পাউহং চংখ্রক্লে। তাঙ্গা চাকে খুদুন য়াঙ্গন থাদুনগু চাওথোক্ল হায়রম্মী,

— রোহিনি অমাংব জাংকি নিঙোল নত্তে হায়বগী চপ-চবা প্রমান এথোক্ল লোক্লে।

লৈবাক নিংথৌন য়াম্ম পীরম্মী,

— মতীক চাব প্রমান পীব ওমদ্রবদি কোনুংগী চৎনরোল থুগায়ব, বিচার লৌরশংগী অওইশিংবু নংখাক তৌবগীদমক নখোর অনীমক কয়াইবশিংন পাম্ম অকম্ম চৈরাক থম্ব তায়।

পণ্ডিত ওমথংন লাইরিকশংদ চংতুন য়ান মতম কুইন চেকশিং থম্মকপ প্রমান ওইব য়াব চে-চাংশিংদু লৌব লাক্লে।

অদুবু পুন্নমক তাজোই ওহৎমলে। ফমগীদমক মিকারব পণ্ডিতশিংন লৌতুনদুন কোনুংদুগী ইতিহাসকী শকুক খরদু মে থাদোক্লমলে।

হুজিক্তি প্রমান পুথোকপ ওমদ্রব ব্রাহ্মন মচাদুগী মীচং কনামত্ত লৈখিদ্রে। পণ্ডিত অচৌবদ মতেংগীদমক হঙ্গৎনুবদ লাইরিকশং মাংথোকই হায়বগী মরাল শীদুন তিন-শীৎতুন তাঙ্খোরক্লে। ফীভমসিদ লৈবাক নিংথৌন অকম্ব চৈরাক য়াথং তাউথরক্লে,

—নখোয় অনীমক খুদক্ত লৈবাক অসি থাদোকতুন চৎকদবনি। করিগুম্ব মখোয়বু ঈশিং মরিক অমত্তুংঙ্কাওবগী মতেং পীরম্ব প্রজা থেংনরবদি মখোয়বুসু অহকপ চৈরাক পীগনি।

হমমদু থাদোকতুন লাকখি শাংলব লম্বীদ কুম-থা গুজিনক্লব য়োহিনিবু পুদুন। শজেংহা শাজিনদুন লেৎম থংন চাম্বখিব থালা অমথরু শজোমগী চফু অম, ভজুর অমদি লফোইগী পোলাং মচা অম লোম্ন পীরকখিবদু নত্তন কনাগুম্ব অমত্তন চেও মরু অমগী দান পীবিবদি লায়রদুন নিংথৌগী চৈরাক কিখিবন ঈশিং মরীক অমঙ্কাওব পীথকপিনিত্তাই লৈখিদ্রে।

লমশাং চৎলকপগী অম্বাবা, কুইন চারক-থক্রুক্তবগী চোকথরব, ঈকায়ব অমদি শাওনীংঙ্কন ভাওরব, ফম ত্তারব অমদি য়ৈরেবাক্তগী তাঙ্খোকপিরব মপুরোইববু য়োহিনিন পুক্লিং থৌগৎপিদুন অতোম্ন লম অমত্তং য়ৌহৌনব হঙ্গৎচে।

অহীং নোংয়াই অমদ লৈবাকতুগী ওমখে য়ৌবঙ্কাওবদি ওমহৌরে, অদুবু মপুরোইবদি হকচাং ঈরদুন খোও থাংব থোকখিদ্রে, শাজল লোইংল্লে। য়োহিনিন মপুরোইববু লম্বী চিদাইগী উখোং অমদ পোথাহল্লে। অনাবন শ্বয় চম্বীং চমাং শম্বদমখে শোভকই,

— ঈশিং ... ... ঈশিং .... রোহিনি, নঙ এবু ঈশিং য়াউম, অমত্তংদি পীংকউগবা ... খৌরাংবনা থবায় অসি থাগদৌরে।

মফম অসিদ থুমহী চেন্দব ঈশিং মরীক অমত্তং ফংবগী আশা লৈতে। ভাল্লিভেদ অরাপ্পদ চিংশাং অমত্তং উরকই, মদুদ চেল্লিব লোক মচাদুগী ঈশিংদি থুমহী চেন্দে হায়ব খঙই রোহিনি। পুক্কক চাওরকপদ কোনুংগী লৈমশিংগী মতুং ইন্দুন মফনদুদ চৎপ ফংহৌই। চিংশাং অসিদ শা-কৈন থল্লব অওকপ উমং লৈ। হুজিকমকসু রোহিনিন মায়াক অদোমদগী খোংলকপ শাহিংচাব শাশিংগী খোঙেল তারি। মফম অদু তাম্ন মপুরোইবগীদমক ঈশিং লৌরুরগে হায়ব চপ য়ুংন লেপখ্রে। মপুরোইষবু য়েংলদুন হায়রকই,

— ইবুংঙো, এ ঈশিং লৌজরুখিগে, মিৎকুপ খরদং ভাইবীরমখোক্কো।

রোহিনি থুন-য়াঙন চৎখ্রে। কুম-থা শুরকপগী মথেক শেংলব চৈনা অকি জুজুংব, তরাম-খৌরাংব পুম্ন ওম কাওথোকখ্রে, লল্লীদ শা-কে থেংনদুন মপুরোইবগী খৌরাংবগী মৈচাক কোকহম্ন ওমরোইদ্রা হায়বন মাগী ব্রাহ্মণী পোহক্লুম ওইখ্রে। অমাও কল্লবী নুপী অসিন মপুগী মিংলেন চেৎন খাখোমরদুন চিংশাংদুগী মায়াক পাংলক্লে।

ঈশ্বরগী খৌজালদগী শোয়দ ভাম্মদন ঈশিং খর পুজারকপদু মপুরোইবগী মনাক য়ৌরকপদদি নোংভাল্লমদাই ওইরক্লে। উখোংদ ভাখদুন ফম্নিব মপুরোইবগী নাক্ত-চেনশিল্লকতুন ঈশিং চরুদু থাজৎলদুন মহুক পেম লীথরুগে খম য়ায়রকই,

—ইবুংঙো, নলাইনুবীন ঈশিং পুজারক্লে।

ঈশিং চরুদু মপুরোইবগী চিরমস ময়াদ থাদকই। মপুরোইবদুদি খুমুদ্ধে, ভাংদে, লেংদসু লেংদে, রোহিনি মপুরোইবদু তুমথল্লব

ওইরম্বনি খন্দুন মশাদ হেক পায়রুবদ অশাব মুর্ত্তিন তুথরকপগুম থক্কক য়াওদ্রব মপুরোইবগী হকচাং পোম্লাংন মাগী মতমপাক্ত চুমদ্রিং তুথরকই। রোহিনি জ্ঞান মাংদে, মপুরোইববু অরোইব ওইন চেৎন কোলনুই। মান ঈশিং পুরকপদ খজিক্তং খীহ্বমনখিবন মপুরোইবগী থম্বায় কম্ব ঙমহৌদ্রবরা খল্লকই।

নোংপোক চিংখ্র পাংবদ কোরৌহম্বন জগৎকী অমম্ব কোকহম্বব শগোল তরেৎকী চুপনী পাম্নরদুন গৃখিথক্ত নোংদোন পকপ হৌরকপকাল, রোহিনিগী অহাম্ব খোয়জিখাগী মীহুলন তাইবং মালং ফাওরকভুন অপোবর্দীগী মীকৌ ত্মবই। হুজিক্তি অনকপদ লৈরম্ব আশ্রমগী গুরু মফমদুদ থুংন্নরে, মহাক্র হৌনবী তৌফম থোকপ মথৌ মঙম পাংথোকখ্রে। রোহিনিবু চংজফম পিবিখ্রে।

চহী অমগী তুংদ লৈবাক নিংথৌন রোহিনিবু চংজফম পীরম্ব আশ্রমগী গুরুবু য়াম্ন, অরাম্ব মফম অমদ আশ্রম হোংদোকউ অমসুং রোহিনিবু চংজফম পীব য়ারোই হায়ব য়াথং তৌরক্রে। আশ্রম হোংখ্রে, রোহিনিন চহী অমত্ত ভাইরিব মচাবু আশ্রমগী গুরুদেবদ শিন্নখ্রে, লোম্বনন মতম অমদ মপুরোইবন শিন্নরম্ব অশংব হীরাগী খুদোপসু শিন্নখ্রে। রোহিনিদি মপুরোইবন নোঙাখিব মফমসিদ পুন্সিগী অরোইব মিৎকুপতুফাওব লেংদন লৈজহৌব ঙম্নব মজল. গুরুদেবদগী নিজহৌরে।

অঙকপনি ! মথংগী চহীদগীদি লৈবাক অদুগী মফম খুদিঙমক্ত নোং মরীক অমফাওব চুখিদ্রে, নুম কাংলদুন মীওই কম্না শিখ্রে, প্রজা পুম্নমক মম্নুম অমদি মখুল থাদোকতুন অরাম্ব লমদম পাংনখ্রে। লৈবাক নিংথৌন কোনুংদ মুনি ঋষি কম্নাগা তানদুন নোং চুনব যজ্ঞ কম্না তৌরবসু ভরেম্ব ওইখ্রে।

হৌজিক্তি লৈবাক অসি খুন্তাক লানশিব হায়বদু ওইরে। লমহাং তূহাংদ তারিব অশিন শা-ষনগী শদোং শেৎ-শেৎতুনা লংজা, ক্কাক, খুনুখরংন চারি। লমহুই কৈশালনচিংবন ইহাং হাংলব মী লৈনদ্রব য়ুমলক্ত শলল্লুপ শলল্লুপ চৎলি। লৈঙোয় লম তংখায় চংলব মফমসিদ কনাগুম্ব অরাম্বদগী লাকপ যাত্রিকশিংন ফাওরকপ থোক্লবসু থুমহী চেন্দব অশেংব ঈশিংদি ফংখিদ্রে।

নোংমদি রোহিনিন লম্বী তদোমদ শগোল তোংব মীওইং খর চংশিল্লকপ উরে। মখোয়দি খাংপোকশং অদু উবদ থক্লব ঈশিং খরদং ফংগদ্র খন্ন চংলকপনি। রোহিনিন অমুক হংনরব নাইদন অথম্ব ঈশিং চফুশিং পুথোরকতুন মখোয়বু তরাম্ন ওকখ্রে। মীওইশিং অদু ঙক্লন্নী, মরমদি মফমসিদ অশেংব ঈশিং ফংব লৃন থোক্লম্বন। রোহিনিগী মফমদদি থবক অসি অরুব অমদি অওকপ অমমুক ওইদ্রবনি, মরমদি মপুরোইবন ঈশিং মরীক অমত্তং থকপ ফংখিদন তাইবংপান থাদোকখিব নুমিৎতুদগী হৌন ঈথৌলাংলব লম্বীচৎপশিংগী খৌরাংব কোন্নব শীম্থা অসি পাংথোকতুন পুন্সিচুম্ব লেম্লগে হায়ন লেপখ্রবনি।

হৌজিক্তি মখোয়পুম্নমক মপুক পেন্ন ঈশিং থক্লখ্রে, অদুবু অহল ওইরব মীশক অমত্তংদি ঈশিং থকপগী মহুত্ত রোহিনিবু শংত্রিক য়েংদুন লৈখ্রে। মীৎয়েংদুদ মৌসুমি নুংশিৎনে মবুক থক্লব নোংলীক চেক্লব অমুব নোংদুমগী মপৈ মপৈ পুদুন চৎলগ লৌবুক লমহাং শীম্ন থুংন হৈথরমদাইগী অরাম্ব অর্থ য়াওরি। রোহিনিন মাগী মশক থংলক্লন্নী, মমাংদ পুরু থুদক কুম্নদুন খুরুমজরগ মীৎলু নাপোম ঈহৌন হায়জরকই,

—মহারাজ, অমাংব জাৎত লোকপী মীনাইনুবী এনা মাংথোক্লব ঈশিংনি খন্দুন ঈশিংগী পাত্র অসি শোকপফাওব শোকপিম্নরোইদ্রা ? মদু ওইব তারবদি ননাইবু লংজখিবগীদমক ঙাকপিয়ুকো।

নিংথৌগী মীৎয়েংদ ঙসাইমখৈ পন্দুন লৈরম্ব মৌসুমি নুংশিৎন পুরকপ মবুক থল্লব নোংলীকশিংদু হৈথরক্কে, অমুক খামদুন থম্ব ঙম্মকত্রে; হায়রকই,

—ওক্কে ইবেম্মা, মখা তারগনু। নঙ উরেদন, ঐন নখোয় অনিদ খিংলুব ঈশিং মরীক অমত্তংগী দোষনা লৈবাকসিন নোং মরীক অমফাওব ফংদদুন মরুভুমি ওনখ্রিবসে। হুজিক্কি ঐগী নুংশিরব প্রজাশিং ঙম্মক কদাইদ চৎনখ্রে। ঐসু তাখি লৈবাক্কী মচি মচি খুদিংদ চিবোন-চিবোন ঙাংনখিব — "ঈশিং মরীক অমত্তংগী দোষনা লৈবাকসি কংলিবনি"। অদুবু ঐন মীকপ থোরকপ মতমদদি প্রজা ঙম্মক খুল হোংনখিরম্মে। হুজিক্কি ঐসু ইচম চম্ব লল্লোম্ব মীশক অম ওল্লে। ইরালশিং অদুননি ঙসি ঐন নঙগী থোংজিন্দ ঈশিং খুয়া অমগীদমক লেপ্লরিবসে।

হনুবদুন রোহিনিবু য়ারবদি মখোয়ন লৈরিব লৈবাকতুদ লৈমিম্বরুরসি, য়ুম ইংখোল, মনাই-মশান পীগে হায়রম্মী। রোহিনিন মদুমদি ঙাকপিয়ু হায়ভাখি। ইকুই কুইদন রোহিনিন পাউ ফংখি, মহাক অরোইব শুর হোনখ্রে।

.... মতেক খরসিনি রোহিনিগী মরমদ ইরম্ব থেংনব। মতেক ঙসিমন, ঐগী ঙপাম্ব খর থুংহল্লবসু ওইথোকপ স্বাব খিকান অমদি মপুরোইবগী মমিংদি ফংদ্রে। কনাদনো ঐন হুজিক হংলুগদব, খিরুগদব। রোহিনি থেংনরগ ঐগী অপোকপী ইমাগী খিকানা খঙব ঙমগনি মললুবসি তাইওম্মরে, হেম্ন-হেম্ন চম্লেৎনরে। অদুন রোহিনিবু অমুক খিবগী ফিরেপসি থাদোকুগে লেপ্পে।

অহিং অমদি ঐন ওম্ভোকপ মঙ অম মঙখিরম্মী। নোংম দেবনগরগী লম্বীদ শগোলগাড়ী তোংদুন চৎপদ ঈশিং পীথকখিব

ফিঙৌ শেৎপী হনুবীদু থোরকতুন লৈকংলাদ হৌব লৈ পাদ্ধী অমবু ঈশিং চাইবীরদুন হায়রম্মী,

—ইবুংঙো, নংগী লৈসে এন ঈশিং চাইবীগ্রবদি শোয়দন কংব তারেদো।

হনুবীদু মাংখিরম্মী, চক্কু অদুন কায়রদুন চেপাক্ন ওাক্ত ওনখিরম্মী। মথংগী অয়ুক্তদি এগী থম্মোই তয়াং তশোররম্মী। করিগুম্বি ভাম অম লাকপগুম তৌখি। এ আশ্রমগী মন্দিরগী মাকন্দ গুরুদেবগী মুত্তিগী মমাংদ লৈব কাদু তম লাক্রম্মী। হুজিক্ত নীংশিংলকই, গুরুদেবদ ইমান শিন্নরম্ন শংবান্নব হীরাগী খুদোপ অম কা অসিদ লৈব পীখ্রাইগী উপু অমদ থম্ননি তাকশিরম্নদু।

উপূদু হাংদোকলুবদ গুরুদেবন ইনরম্ন বাহোং মতুন শাব মুক্তাবীগ লোয়মন খুদোপ অদু লৈরম্মে, গৌম্বৎতুন কুপশিন্ন ম্নেংলুই — শংবান্নব হীরাগী খুদোপ মদুদ হকতুন মিং অসি ইরি —"রোহিনি"। অদুগ মদুগী মনুংথংব নাকন্দ মিং অমগসু ইরি — "রাধাকান্ত"। মদু হেক উরুবদ এন থংহৌদন কৌরুই,

—ইমা! ঈখোলাংলব যাত্রিকশিংগীদমক পুলিস কহোক্রবী দেবনগরগী হনুবী, নংবু এগী ইমা ... ... —

খীম্নদন দেবনগর চৎনব শেম শারে। পুং ১৪ গী লম্রানি রেলগাড়ীদ, অদুদগী অমুক শগোজশাঢ়ীদ। চহী নিম্রুগী তুংদ ইমাগী তম্পাক ওন-থোইদুন কুইনা কাওখোকলুরব অমুতগী মহাও অমুক [illegible] [illegible] [illegible] পোকখি। মাংলুরব [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ইমানন্নু এবু চেৎন কোমীদুন চীম্নাজদন ন্যোক, মীংলুদন শিন্নাং শীন, হন হম চুম্নিশিদবদু শং শং [illegible]।

দেবনগর।

অহিংস্র চহী নিষ্ক্রোম নোংজুথা লৈখিদ্রব লম অদুদ নোং কম্ন চুখি, খাক লাউখি, অকম্ন নুংশিৎ শীৎখি। অওকপ খৌদৌ অসি শহর অসিদ ফোংব পাউ-চেশিংগী অহান্ন লমায়দ অচৌব মঙ্গের ইরদুন হরাউ নুঙাইব ফোংদোক্লখি।

ঐগী পনথুংফমদি য়ৌরে। অদুবু মফমসিমক্তদ চহী মঙা তরুকসিদ খংচাও-চাওখৎতুন শেমগৎখিব অচৌব শহরসিগী মমিং লৈরব সংস্থানশিংন পুনশিন্দুন শেমগৎলব ফজরব পার্ক অম ওইন লৈরম্মে। গেটকী সাইন বোর্ডত চাউন ইরি — "রোহিনি পার্ক"। নুংঙৌন শাব নুপীগী মূর্তি অমন পায়রিব চক্রু অমদগী হৈশ্বরকপ ঈশিংন মমল তাংলব মচু মচুগী নুঙ চন্দুন শৈম্ন ঈশৈ মচা অমদ থেক-থোম্নন চেলহল্লি। উরুম লাংলব উ পাম্বীশিংদুগী মথক্ত মুবী পাম্বী, কোনা পাম্বী কম্ন থারম্মে। উনাগী থাংপোক লৈরমদ্রে। ঐ মচিংগী অর্থ খঙই, থোংহৌ থীম্নবা ইশাবু নিন্দা তৌজরকই। মনুংদ চংলকপদ চেপায় মচেৎ অমত্তং তারম্ম উই, ঐন মদু খুনগৎতুন শংক্রিক য়েংলুই অঙাওবঙম। কদায় যাত্রিকশিংগী থবায় হান্নম অথম্ন ঈশিং চক্রুশিং! মুত্তিদুদ চংশিন্দুন বোংলদুই, ইশা খংনকৌদ্রব [illegible] অসি [illegible]কখিমাক্তে।

— ইমা, ঐ থেজরে ... — ঐ থেজ[illegible]:

মতমগী খুৎলুশমগী অরৌবী থাক উৎতুম ঈশিং পেরৌশিংগী কাপথোরকপ ঈশিং মক্রীকশিংদ ঐঙো পি মরীক [illegible]

তিনশিনখ্রি। অকোয়বদ যান্ত্রিক কন্না পোখ্নারি, কন্না অমন ঈশিং থক্লি, চিত্রকার কনান দৃশ্যদুগী চিত্র য়েক্লি, স্কুল কল্লাগী এক্সকর্সন লাক্লরি, কনান ফিলম য়েংলরি, মান মান থোকপ হরাউ মখোই কারি, নোক-খেরি। পুম্মক্কী মরকতুদ মন্নামগ, ফীভম মাম্নব ঐগী ইভৌ উবদ পিন্নিব নুপীমচা . অম চেনশিল্লকতুন হংলরে,

—অঙ্কল, আর য়ু ওল রাইট ?

লাইন-ভম্ব ওইংরিদ্র

লৈশাং ধীর

"তামো ঐখোইবু করম্না মতমদা য়ুম মচা অমতং শাবা ওমলকখিদগে। মীগী য়ুমদা হাইরগা লৈবসি নৈ.ফম খংদ্রে। য়ুমথক অসিসু ইহো হোই। ফকলাংসু হোই। পুখ্রি অমা লৈরিবসিসু দারিগা শম্নরে। অঙাংশিং শাম্নফ-মসু নৈতে। নুংশা য়াম্না থীরে"। ইবেমগীশক্তা মবুং থোক্লবা মপুরোইবা ওইংলিবা ইবোহম্বীদা মোরা অমা মপান খোপ্না খোপ্না হাইরকই।

অমনা য়াম্নেম নিঙোলনি, অমনা য়াম্নেম পিবানি। সনা কৈথেল ময়াদা য়ুম অমা হাইরগা লৈবনি। মচা অনি ওরে।

লীগী চৌক্তি মখোং ইথনা ইথনা ইবোহম্বীনা খুমই।

"করি পাম্লেদি লৈরি। ওবা য়াবা ওক্লরে, নোম্না য়াবা নোম্মুরে। সহরগী ময়াইদা, অচৌবা দলান মথক্তা মাই মিৎ খুমজিনলগা চেক, নুং লৈঙোই হোম্নদা কয়া হাল্লবা। ইকায়বা কয়া খাংলক্লবনিদো। অদুবু লীগী পোৎ-চে শাবসিনা খরদি শাকরে। শেন কংবসু খরদি হেনলি। ইকাইনিঙাইসু লৈত্রে। লুপা লীশিং মরী মতা খুৎপাইশেনবু লৈরবদি নংগী য়ুমদুদি ওনকপদা শাবীগে। লুরিবদি মীতোন্দগী শেল পুরগা লী মকোন লৈবসিদা শেন্দোং লৈত্রে। ওবনা ঐখোইনা ওবা শেন্দোংনা মহাজনা মপুং ওইনা লৌখিবা। মনক্লবদা কবকপু অনিংত্রেদা।"

– ঐনা তাজনিংঙিবদি অশাংবা লেকচরদু নৎচদে। তামোগী লৌ-ইংখোল শরুক তাম্বিররোইদ্রা হান্নবসিনি।

—ঐগী ইশক হেক উবদা হাৎকনি রাশরুপ্রবনি। করম লৌ-ইংখোল তানলুগদগে? ঐগীদি লাইরি নংগীবু করি অউনপোৎ লৌবা ওমগদগে?

—ঐগীবু ফংগদবা মমি উরবদি তামোগীবু করিগী হংজগদগে। ঐগী শোরাৎফাওবা পাবুংখোইনা শোম্বিদ্রে হাইরি।

—অদুনদি থবক কম্ন ওবা নত্তনা উপাই লৈতে। ঐখোইগী খুরাদু নুংশিরকখ্রেদা। মহাক ঐবু ফুদুনা লী শাবা তম্বীরম্নদুন নং-ঐগী হিংনবগী লম্বি ওইরিসিনি ঐনা তম্বিবদগী নংসু হৈরে।

—ঐখোইনা গৌহাটীদা, শিলোংদা লোৎলিঙেদা মাংহনখিবা পৈশা ময়ামদু পাম্মুরকইদা। ঐগী *P*, *M*, *R*, *Y* গী লোনগী শেনফম লুপা লিশিং হুমফুনি। নংগী সনা তুলা তরুকনি। চহি ৩ লোৎপদা মাংখিবা ওাক্তনি।

—মখোইনা হাৎকনি, তুপকনি তৌবিরমদ্রবদি ঐখোইগী ইরন

ময়ামদু মাংলমলোইকো। ইরৈবাক থাদোকতুমসু চেল্লমলোই।

—ইবেম্মা, মদু নিংশিংনরগুমসি হায়নখ্রবা নত্রা। লন-থুম ময়ামদু মাংলমদ্রবদি ঐখোইগী থরাইসি হিংলম্লোইদবনি। পৈশা, সনা তাঙগা ফংবা ওাক্তনি। থরাইদি তাম্নগা ফংলোই।

—অদুনুমি চুম্মি। ঐখোইগী বাজিনা ইচে-অহলদু হাপ্লবা ইশিংদা থমদি হায়রে। বাজিদা নুংশিজনাবা নুপাগী মচানা কোইবশীনিসু হায়নৈ।

— পুন্নমক হৌদ্রে। হৌজিক্তি, মিৎ-না চেৎনা উইশিন্নগা থবক কম্না শুবত্তনা এখোইগী নুঙাইরক্কবা লম্নীনি।

— ইন্নাইবক্তা তত্তনা হংনিংই। — এখোইবু করি মরমগী ম্নাম্নে শাগেদা পুন্না পোকহল্লিরম্লিবনো? হুমনাক মাংবা লৌন-লেমবা ম্নাদে হায়বা চৎনবী অসিবু চৎনহন্দবা ম্নাবা চৎনবী অমত্তং লাক্কবদি ওম্লোক্লা নুংঙাইজনিদকো।

—নংগী ব্রাহংদুদি লোইশংগী মাইচৌশিংদা হাংলুরসি। মখুৎনা শুরিবা মোরা অদুতদি থুনা লোইশিনলু। পুং ১০ দা শোইদনা লৌবা লাক্কনি। নংনা ঙাংলিঙৈদা এহাক লীকোন অমা ইৎপা লোইরে।

—শিন-পাংননবা শাবা ব্রারীনিদা তামো, এসু ঙসাইদগী খুৎতি লেপ্তেদনকো।

মতৈ মনাও খুৎপাইশেল লৈতবগী ব্রারীদা ম্নুনলিঙৈগী তাঙা অসিদা ব্রানোম্নম খোইমুনা চে চাং খর পাইরদুনা থবক শুফম অদুদা পরপ পরপ চংলক্লগা হায়রকই —

—ইবোহম্নী নহাল নংনা খাদিগী লোনগী মরমদা কম্না হায়রম্লদুনা ইম্নাম্নবা ফোরম অসি লৌখিরক্কহনি। হংটিৎনা অরোইবা তারিখনি। শোইহম্না ম্নান্নেকো। ফোরম অসি ফংনবা জাৎ নত্তে। নংগীদমক্তা কম্ন হাম্লনরগা লৌরকপনি। এহাক চৎলগে। হাম্ন ফাওখ্রবা মীওই খরগী পেম্মা ম্নীরুংদম্না লৈহৌরি।

হাম্নবা হৈদুনা থনম্লবা চা গ্লাস অমা লানশিন্নগা ইবোহম্নীন অমা মিনিৎ ১০ দগী তাদবাখা। খচা-খচা শিংসিম্না ফিঙ্গুঅসিবু মেখলা মুখোইহিকিম্নরা। লিশিং তরা পুম্ত ওইরবসু শোইদনা ফংহম্নীনবা উপাই অমতদি তৌবিয়ু।

- লিশিং নিঙ্কুমঙানিনে ফংগদৌরিসে। মঙা অমদি শিংদবীনি। নখোইগুম্না শেংনা থবক শুর্জবা কাংবুসিদি শোইদনা ফংগনি। থবক তৌদবা ব্রানোম্না কম্না কাংবুশিংনা হজিন হজিন ফংদুনা লৈরবনি। সরকার অসিসু মমিৎ উনা উনা উশিন্নদ্রে। মনা তান তান তাশিন্নদ্রে। মহাক ব্রানোম্নদ মমিং লৈবা মীনি হায়বসি ঙহাকতুদা কাওথোকলুই।

—মপুরোইবগী ব্রাদুদা মতেং পাংশিল্লদুনা ইবেমপিশক্রা তাদ হায়রিব শেনফম অসিবু শুকশোইহেক শোইদনা ফংবা য়ানবা অসিবু করি করম তৌগদগে। তাদগী ঙা-চানবা তৌজগে। শোইদনা ফংহল্লীয়ু।

—ইবেমপিশক লোন ফংবা ফংদবগী ব্রাফমসিদি নখুৎতা লৈবনি। ঐনবু করম তৌন ফংহম্না ঙমগদৌরিবনো।

—তাদগী ব্রাদু লৌশিন্না ঙমজদ্রে। অমুক্ত শেংনা তাকপিম্মু।

—ইহে .... ! অঙাওবীসিদি ওস্তোক্রা ভাব তামনখিদ্রে। ঐনা পিরিবা চে-চাংশিং অসি শোইদনবা মেনশিনলো। লুপা লিশিং ও খুক্তং পাইশিল্লগা হংচিৎ অয়ুক ঙক্তা ইবুংঙোগা চংশিন্নসি। চে-চাংশিং অসিনা ওফিসারদা পিশিল্লমসি। লিশিং অহুম অদুনা সনা ইবেম্মদা শোইহন্নিবা য়াদে হায়দুনা কিৎ নমশিনলম্নসি।

লুপা লিশিং ও [redacted] খুশা [redacted] হন্নাম পেরেনম [redacted] লৈ[redacted]গা [redacted] তম্না মকোক্তা মখুৎ অনিনা পাইরগা খাংই।

—ম[redacted]লে থৌনা [redacted] তাদ হয়েং শোইরবদি কমদৌবা ? ঐখোইদি চরা [redacted]। হৌজিক হৌজিক লৈরিবা মুমসিগী তারা পিনিংঙাই লৈতদুনা ওস্তোক্রা ব্রারীদকো"।

'ইচা য়োকপা ঙমদনা মাংগ্রগে শোইরবদি' মচা তমত্তা পোক্তবা খোইমুনা খৌনা ফনা ব্রাশকই। অসিতসু নত্তে, নুমিৎ ১৫ নিগী মনুংদা লুপা লিশিং নিফুমগা নখুৎতা ঙৌরোক ঙৌনা শিন্নবা ঙমদ্রবদি। ঐগী লৌ ইংখোল লোইনা লৌজৌ। খোইমুনা মমিৎ মনা মখুৎ মশা য়াওনা ঙাংবা ব্রাঙাংদুদা ইবেমপিশকত্তু মুনলে। ইবোহম্বীদ ওনশিনলদুনা হায়রকই —

লুপা-লিশিং অনিদি ঐহাক পুথোকচরক্লগে, লিশিং অমনা তামোনা পুথোকপিরো। লৈব লৈতবা খংদে, নুপানি থীবিরুরো।

ইবোহম্বীদু খংপ্রেক হেক খঙই—"নংদি কদাইদে পৈশা ?" —তামোদি খংলিরোই ! ঙী শুবা হেক হৌরকপা নুমিৎতুদগী ঐনা উখুল অমা তৌই। নোংমা নোংমগী লুপা ১০/২০ থাদজবনি। নাদ সনা মচা অমতদি হাপকে খন্ননি। অদুনু লোন ফংলগা শারগে। উখুল থুগাইরুরগে হায়রমল্লগা চংখি।

খোইমুদু হরাওমনথ্রদুনা ঈশে ঙংখৎলকই। মপুক্লিংদা খল্লকই "ঙসি ঐনা য়ুমদগী খোরকপা পুংজাসি ওখোক্লা ফথ্রবা মতম ওইরমালে। ফংবু ফংজৌ হায়রবদি তাহবা নাইথ্রবসু লক্ষী ইমা ইবেম্মসিদি মথন্নতা হেক্তা চেনশিল্লকইদনা। ঙসি মরুপকী শেত্থাং থাজৎনবা লৈত্তে হায়দুনা নুপীনা য়াক্লা য়াক্লা ঙাংহৌবদু মমাংদা লিশিং অনি চাইখাইনে"! মাগী ব্রাখলদা ল্লিশিং অনি দু লাইরগা মমুদা লৌবতনসু তৌই।

ইবেমপিশক্লা উফুন ব্রাইফুন তৈরবা তরা চৎপী ময়াম অমা পুথোরকই। মতে-মনাও খোইমুগী মমাংদা ফু-ফু কাপ্পদুনা থিরমই।

হে চাণম্না মীগী মমাংদা হে খোকপগুম খোইমু মতিন কুৎ কুৎ য়োৎথে। পুম্ন লুপা ৩২০০ হেক গুরমই। লাইরেংপাক্তগী তারকপা পৈশাগা চপ মাংনা নুংঙাইনে। ইবোহল্লীনা মাগী নুপিবু ইমোইনুগী লাংওনগুম্ন উরকই।

পৈশাদু খোইমুগী মাংদা থম্নদুনা ইবেমপিশক্লা হাইরকই। "তাদ পৈশাসি হয়েং লৌবিরো, ওসিদি শগোলশেনসু ওই তৎনবসু খোকই"।

—" ইবেমপিশক উখুলদগী লৌথোরকপা পৈশাদি শগোলসেন তৎনবগী বা করিসু কাইদেনা" খোইমুনা নিংবা কাম্লনা শোনলকই।

মতৈ-মনাও চপ মাংনা য়ানিংদবা উৎতুনা মঙক হায়বদুদা মথা তারুবা কাংরোই খুঙলদুনা —"হয়েং অমুক ঙন্তা লাক্কে" হায়রম্নগা খোরুকই। মবুরিংদা অমুক খনলি। ঐবু কাল বেলা লৈবা মতমদা খোং থাংদোরক্লমানেদা।

লোন ফংবা য়াবগী লিখুন থজিত্তং খোইমুনা হুৎলম্না নুমিৎতুদা মতৈ-মনাওদু চিংজিনগী ঈশিং ইনৌ তরকপদা ইকা-ঙানা হৌ হৌ চেংজনবগুম নুংঙাইজে। নুমিদাং তুমঁদাই ফাওবা লোনগী বাত্রী লোইদে। ইবেমপিশক্লা হায়রকই।

—তামো ঐগীদি লোন হেক ফংবগা নাদ হাপ্লবা লৈ-মচা ২ দং শাখিম্নু। অতৈদি হায়জররোই।

—" ববা ঐগীদি খোংঙপ, ঐগীদি সাইকল মচা থৈজিনু " মচা ২ মুরম মমাগী মখু তাবদা মৌ মৌ মাওনা ওইনরকই।

"হোই হৌই লোইনমক লৈগনি নখোই২গী অপাম্বা খুমিংনক ত্রেজ বাইঙনা লৈগনি। অঁহাবদনে ঐখোইগী ফক্লাং

অহোবসে নাৎকী কক লৈরগা থাজিনসি। নুংশিৎসু য়াম্না চংলকই। মীগী মমাংদসু ইকাই। য়ুমবুসিনা ভারাদি নোংমতা কাংদে থৌরিবা য়ুমদি শেম্নীদে। মথোইগী ভারা পিথোকল্লগা অরেম্বদুনা নমা নচাগী লোইনা লৈবিনি"।

"তামোগীসু এম্নেসেদর খোংউপ অমতংগা রাইমন্দসবী সুট অমতংগা ভুহৌসিদনা পাখং মাহনবা, অসুম্না নুমিৎতুগী নুমিদাং তুম্নমদাইফাওবা রান্নী শানবদগী তুমথংবা খংহৌদে।

লুপা লিশিং অহুম লৌগ্রবা মতুং চহি অমা ফাওবা লোন ফংদ্রে। খোইমুনা হোরেল হায়দোক্কনি হয়েং হায়দোক্কনি তৌদুনা লৈরে। খর লৈরগা খোইমু মাংখ্রে। মতৈ মনাওদু শাওনিংবনা চাক ঈশিং চংখিদ্রে। খোইমু উননবা হোৎনবদা ইবোহল্পী থবক শুখিদ্রে। ইবেমপিশক মথন্তনা শুবদুনা চরা পুবা ওমদ্রে। চরা হেন্না নুমিৎনা মশিং হেজিনলক্রে। হুমবুনা ভারা পিদে হায়দুনা তান্না হৌরক্রে। ইবোহন্নীনা করিনুংগীনো খন্দুনা হায়রকই —

"ইবেমপিশক এহাক ওসিদি তাখোইমুগী মমুমদা অহিং লেকল্লুগে। ওসিদি মহাক উনদবা সুকয়া য়াদে। অঙাং ২সি কোনজগা ওসি অহিংসি কিরবসু কিনা খাংজমউ"—।

মহাক অশাউবা পুম্নমক ফাথরগা খোইমু থীবা থোরকই। তাঙা অমা চারদুনা খোইমুদু থাদি ওফিস মমাংদা গম হেক খেংনরে। রা থরা ওাংনরবা মতুংদা মখোই ২ মমুৎ থোক্লা কুনরে। থাকম চাদনা থারুরমানে খোইমু লেকথখরে। ইবোহল্লীদু মীয়াম চংদুনা ফাকগা পুলিসতা শিন্নখরে। খোইমুদু R, M, C দা লাইকরে। কল্লা ওমখিরে। খুদক্তা শিরে।

ইবোহল্লীনা জেলদা লৈখিবদগী ইবেমপিশক অথহুতা লী-ওবা ওমদ্রে। মচা অনিদুতং মবুক থন্বা হায়দুনা হায়জগা

দরান মথক্তা চেক লৈঙোই হোম্বা য়াওই। অম্লুক পুং ৮ দগী চাবোই-চাদবোই চৎনি। নুমিদাং পুং ৫/৬ তা হনলকই। হনলকপা খুদিংদা চেং-চাক ওারি থাও লৈরকই। নুমিদাং থোংলপা মমা মচা পুন্না চামিন্নে। কপ্পা-কপ্পা লেম্বদা চহি ওনখিবা খংহৌদে।

নোংমদি থীকাদারনা লুপা ১০০ পুন্না পিরকই। খুদকতুদা ইবেমপিশক য়াম্না হরাওখিরমই। চুডি খর ওহ্না লৌরে। খরাইরম্বন্দ কৈথেলদা লাকই। ওা অতাওবা, অঙৌবা, উকাবী ফজ ফজবা খর লুপা ৩০ গী লৈথোক্নে। ইম্ফাল জেল তম্না ইবোহন্নীগী মনাক্তা খোংথাং থুনা লাকই।

মতম অদুদা ইবোহন্নীদু মখুৎ পুন্নগা সেল মনুংদা লৈরমই। ইবেমপিশক উবদা নোকমি নোকমিনা হায়রকই—

—কবিগীনো নংনা ওা অমুক য়াম্না লৈরক্লিবসিবু। অঙাং ২ দু মবুক থম্ন পিজগেদি হায়দদনা।

—ওসিদি থীকাদারনা লুপা ২০০ পিরকই। অঙাংশিংগীসু শিক থম্ন লৈরক্লে য়েংউসে হায়দুনা খাউদগী ওা অতাওবশিংদু উৎলি।

—নংনা রাগদবা নুমিৎ হুমনিতা ওাইরে। হুমনি খক্তদি ইচাশিংদু মবুক থম্না পিজরম্মু। জেলরনা শ্রীগী ইরাজ লৈতে হায়। তাথোইমুদু শোইবদগী শিখিবনি হায়না জর্জ সাহেবনা রাই পিরগনি। হংচিৎ পুং ১ দা শ্রীবু কোর্টতা পুথোক্লনি। পুং ২ দা থাদোক্লনি। পুং ৩ দা মুম শোইদনা য়ৌরক্লনি।

—ওা অঙৌবসিদি কমদৌবা। ইবেমপিশক্না মখোন নিক্না হাইরকই।

—মংগী নখুৎনা ঙা মতোংদু মচেৎ অমতং হেক ইনৱমউ। অরেম্বদুনা খেম-খেমগা বো-বোগদু মবুক কায়নবা পিজৱমউ। ইবেমপিশক্লা ঙা শমচেৎ অমা মরুং খনলগা মতোং ঙাক্তা খন্দোকই। শারং মনুংদা মখুৎ থিঞ্জিনলগা ইবোহম্বীগী ময়াদা ইনলি। মহাক্কী মিৎলুদগী থিংবা ঙমলবত্ৰবা পিরাংদু অংঙবা লোত্তগী ঈশিং চেহ্ৰকপগুম তারকই। ইবেমপিশক উহনলোই খম্রনি। মখুৎ ২ দি পুনশিন্নবিনা উপাই হৈতে। ইবেমপিশক্কী মোৎলবা উফুল থাংলবা খুদে মতেকতুনা তপ্না তপ্না তৈথোকপা ফংজে।

ইবেমপিশক্কী মমিৎতগী শিক্লুরকপা পিরাং অদুবুদি ইবোহম্বীনা তৈথোকচবা, নোংদম্বনা তম্বিরমদ্রে। জেল ঙাবপনা মতম হেল্লে হায়দুনা ঙা অতাওবা হাম্বা খাওদু পাইরগা মমুম পাংলকই। মপুরোইবনা হায়রকপগী মতুং ইমা মচা ২ দু ঙানা মবুক কায়না পিজরুরগে খন্দুনা মবুক্রিংদা হরাও তয়াম্না লাকই। মুম য়ৌনিংবনা অমুক চেন অমুক চৎ লাকই।

থোজান হেক য়ৌখিবদা শেগাইরবা মুম অদু মীনা পুমকোই খোইশিনলম্বা উরে। মহাক পুমঙক ঙকই। 'মমা লাক্লে মমা লাক্লে মমা চংহনলকউ, হায়না কোইরাং লাংনরমই। মহাক হুমাং অনম্না কাংই। মশম চপ-চপ য়ুংই। নুংশা খর হবেৎ খবেৎ হোনলি। খর ফুনমংলকই। খর নকশিনখিবদা ইন্নে—নুংশিজরবা খম্নোই মচেৎ অমিদু লৈমাইদা তাদুনা লৈরি লৈমাইদু ঈগী খুমেংঙমলমই। মোৎলবা ফি অমনা নৌরবা হকচাং অমিদু পুম কুপলি। কুপলিবা ফি অদুসু ঈখেংনা পুমক্কুপ লুপলি। হাইজোকতুনা য়েংলুমদা হকচাং অনিমক নোংমৈ গুলিনা গায়গী মফুৎ-মফুৎ হৎতুনা চৎখিগী মকম জৈ।

হন্দক্তা লম্ফেলদা কাপ্পখিবদুগী গুলি মরু হায়দোকখিদুনা অহোবা ফকলাংদুদা পাইশিনলকতুনা অঙাং অনিদু হাৎপনি হায়নৈ। মচিন মপুরা অনিমক থাদোকুবা য়াদে হায়বগী মতাঙম কোনশিন্নরমই।

ঈখেং মরকতুদা মচা ২ বু কোনশিন্দুনা থম্মোই পেন্ন কপচবা নত্তনা ইবেমপিশক্কী উপায় করিসু লৈখিদে। অরাবগী লীলাদু অয়েংবা খুদিংমক্কী থম্মোয় শোক্তবা কনা য়াওখিদে। হনুবী অমদি খোঞ্জেন থোক্ত কপতুনা হায়খি —

"ইবেমপিশক নহাক্কী নরাইবকসি ওস্থোরম্মু থীনা তম্মমগ্রমানেদকো। নপুরোইবদুনা ননাক্তা লৈজরম্মবদি অরাবগী চাংসি খরসু মফরমগদবনিকো।" মুরবুরেম্মী অদুদি শাওনিংলুরমালে —" মরাইবক থীবনা নত্তেদা ইনম্মা, মচিন মপুরা য়ুম্মাম্নরুবগী দোশন রাজবনি। য়াম্বেম্মবু য়াম্বেমদা লৈবা হৌনব্রা?" হনুবীদুনা শাওনা খুম্মকই — 'মাদুসু লাইবক্তা তম্মকপা ওইরোইদ্রনে ইবেমশিজা'।

ঙাংনরিবা রাহেশিং অদুনা ইবেমপিশক্কী মফমদদি অচাকপা মৈদা ঘী হৈজিনলক্লে। মরাল লৈজদ্রবা নুংশিথোইরবা মচা অনিবু লম্মথাংদা নোংমৈ গুলিনা কাপতুনা হাৎপদি অতৈ কনানসু নত্তে, মমা মপা ওইরিবা মখোই অনিমা লংজখিবা মরালননি খন্দুনা তেংথাবা হৌরকখি।

"হয়িং লাবা"

ওক্রম ব্রজমোহোন

পুল্সি.দা ইহান হান্না কল.কতা খোংচৎনি। ত্রেন্দা লমশাং চৎপগী হকচাংসে ইচোক চোকথে ইহৈ হৈনিংদে। হেক থুংবগা রিংগাল হোটেলদা বুক তৌশিল্লে। ঙহাক্তং পোত্থারগা ঈরু মাইথজদুনা হকচাং তেকখৎনবা হোৎনৈ ।

থোংদা কনানো অমনা নোক তৌরকই। ঈরুজরিঙেদা দিসর্টব তৌরকপদুদদি কয়া শাওনিংল্লে। মনুংদগী লাওখি, 'ঈরুজরি ঙাইখো। ন্নুজবা লোইরদুনা ফমুংদা ফমথবতা মঙাম্মরি অমুকসু থিল্লকই। হৌগৎতুনা য়েংলুহদদি হোটেল বোই ওইঁরমই।

— বাবু চা থক্লদরা ?

— হোই পুরকউ।

চা থকপা লোইরে। নুমিৎসু তাশি.নহল্লে। থংনা চাহরা মরুপ মপাং কনাঙম্মা লাকপরা য়েংগে থন্দুনা মথাদা চাক চাবা কুমথরে। কনাসু থেংনদে। চাক মতুং ফনা কুইনা ফমদুনা লৈরে। অদুম ফমদুনরা থংদে হোটেল বোইদুনা হঞ্জিল-হঞ্জিল হংই - 'করি পাম্বিরিবগে, করি থাৎপিরিবগে ?

ঐনা ঙকনা শজোম পুরকউ হায়খি। অদুবু মতুংদসু মহংই -

—করি তৌজখোগে ?

ঐ শাওনিংলকই। মখোয়গী মমাংদা অসুক য়াম্না চার থক্রবা মখোয়নসু উর খংলবা অদুমক্তদা পহংদা হংবদুদা শাওনিংদুনা চিন থিরুই - 'চুট চাহিয়ে, চুট চুট।' অদুগা ঐগী কাদা অদুম লাক্লে।

হয়েংদি ঙন্তা চৎকদবনিনা তুম্নবা তৌরুসে খন্দুনা ফম্মুং শেমজিল্লি। কনানো ঙমা থোংদা খিল্লকই। ঐনা খল্লি থিম্নিংবমখৈ খিঙসনু তল্লগা অদুম চৎচখিনি। অদুবু তত্তনা থিজিনলক্লবদুদদি হৌগৎতুনা থোংদো হাংদোকত্নুবদা মশক মতৌ ফজরবী নুপী অমখক নোকমী নোকমী তৌরদুনা লেপতুনা লৈরমে। ঐ খাই লাওই ! হেলোইরা লাইরেম্বীরা ? ঙাইহাক তুমিম্না মিৎ বুপ্তনা য়েংদুনা লৈ।

—করিগীনো অদুক ঙক্লা য়েংবিরিবদি ?

ঙাংনা-ঙাংনা চংশিনখিদুনা ঐগী মখুংদা ফমথখরে। অদুগা মখা তারকই, "ফজবী নুপী হায়বসি নুপা মখোয়গী ঙাওফম্নি"। করিগী চিংনবিরিবনো ? ঐ নহাক্কী সেবা তৌবা লাক্লিবনি।"

ঐ তুমদনা মংলাক্লে। ঙসিগী মতৌ অসিবু করিনো ? মখোয়গী চৎমবাক্কী খম্না-খম্না চংশিন্দুনা লৈরিবা তৌক্লি অদুদা ফমথ অদুগা হংই।

— মং কনানো, কৈদৌবা লাক্লিবনো ?

—ঙসাইনা হায়জখ্রেনা মদুদি।

—অদুদি লেংবিখিবা য়ারনি।

—ঐবু ইকায়বা পীবীনবা কৌরিব্রা ?

—ঐ কনাবুসু কৌখিদে।

—কৌখিদে ?

—কৌখিদে।

—ফরে অদু করিগুম্বা অমতা হংজগে।

—য়ানি হংবিয়ু।

—কদায়দগী ওইবিরবনো ?

—ঐ মনিপুরদগীনি।

—করি তৌবা লাকপিরিবনো ?

—ট্রেনিং অমখক য়াওননবা।

—ও! ও! করম্বা মখলগী ট্রেনিংনো ?

—রোল ওফদি উইমন এ্যন্দ স্টেইটস ইন দি প্রেজেন্ট সোসাইটি।

—য়াম্না ফজবা টৌপিকনি।

ব্রারী শানা-শানা মহাক্কী মফি মরোল খরা-খরা কোমথোকহন্দুনা ঐবু শুমননবা হোৎনরকই। অদুগা হায়সু হায়রকই —

—দার্লিং গেট রেডি।

অদুবু মদুনা ঐথোক্দা কৈদৌনি। ঐদি পুন্সিদা ঐগী নুপী নত্তনা কনাবুসু হম্না লেংজোই হাক্তনা থনম্লবনি। ঐনা হায়খি।

—অদোমবু ঐনা নুপোৎনবা জৌবা নুপীরো, করি মঙ্গিবু লৈনরিবগে ?

—হাকমসি হজিল-হজিল ঙাংনগদৌরে। ঐবু মমল য়াওদবী অমনি হায়দুনা লক্লরিবরা? করেম্বিরিব্রা? নহাক্কী য়াথং য়াওদনা ঐমা মসমসিদা লাকপগী করি হক লৈ?

ঐ ঙাখ তারকই ঙসাই ঐনা হোটেলদা শাওনা হায়খিবদুনা থাবু লাকবগী লম্বী ওইহ্রে হায়বসি হজিক থংলাকই।

ঙহাক তুমিন্না লৈরুরবগী তুংদা মঙোন্দা নোললুক্লা হায়জরবী,

—ঐ লানখ্রে, চুপ্পী ঐগী অশোইবা লৈখ্রে। ঐবু ঙাকপিয়ু। অদুবু মঙোনগী অশেংবা অমতংদি থংজাহৌদে?

—করম্বা অশেংবা?

—লম্বীসিদা থোংদারিবসিগী কান্নবা করিনো?

—মদু থংলগা নংগী করি কান্নগনি।

—কান্নবা কান্নদবা হায়বদুদি ঐগীনি।

— নংনা করিদি তৌবিবা ওঙগনি?

—করিম্বু ওইরাই। অদুবু মসময়সিদদি মসিগী মকবা চাওনা কন্দুনা লৈগনি। অবা অনা করা মতোংনুরক মতম ঙমগনি।

—অদুথক্তরা?

—সিথক নত্তে। নুপীশিংবু লম্বীসিদগী নাথেকনবা ঙম্মগনি।

—য়াম্মোই, ঙসকই ওইখ্রেদ্রাই। মসিগী য়াইনিংবগী হিজনদগী হৌনা থাদোকপা য়াদনা চংনরকবনি। নংগী মরাক্তা তৌজগদবা অদোমনি।

—হোয়, ওইনিংবমখে ওইজরলনু। হজিক নয়াক্কী য়াকী তাহক্লো?

—মহাক্না হায়ী হৌরকই, তশেংনা ঐ ঢিনিংদ্রবনি অদুবু হংলবনিনা লিরগে। —সয়াক্না মীৎয়েংদা ঐদ্রে লুহোংব্রিবী লৈশাবী অমনি। অদুবু মসি পুন্সিগী অমনি। ঙাক শোক্লরিবনি। মশাগী অপেন্না থিন্নবা, লৈত-লাইরগী চৈথেং, মপুন্সিদা নীংবা কায়থিবা, ফাদুগা য়োম্লোবশিন্না অমত্তা মায়দে। ইন্দ্রিগী খৌরাংবা, কোক্লনবগী ওইখিবদি মশীং ইয়ামবু য়ায়য়োই। অয়ায়না লৈত-লাইরবদগীনি। মখোয়শিংদো মশাদা স্যেক্টিসফেকশন, ক্লাইম্যেক্স অমত্তা ফংবা ঙমদে। মখোয়না উরিবসি মখোয়গী দরকার'দুনি। মসিদা ঐসু অমনি। ঐগী লমচৎ অসিবু শংবা কনানা ঐবু লুহোংদুনা তৌবিগদগে ? পুম্মকসি অউনপোৎকীদমক্তনি। ঐখোয়গী জাতিদা নুপীনা নুপা লৈবা চৎনৈ। চৎনবীদু ঙাক্লনবনি।

ঐনা য়র শাংনা হোন্দোক্লনা হায়খি

—অদুবু নং লুহোংদ্রবদি য়াদ্রবরা ?

—য়াই, করি য়াদনি। সমাজসিদা মেরুরবনিনা অসিসু তঙাইফদবা অমনি।

—অউনপোৎ পীবা-পীদবা ইয়া য়াবা মফম অমদা চৎকদবদি?

—মফমদুদদি কনান পুবিগনি?

—ঐনা পুরবদি?

—অদোমী অমুক তৌনিংলবু ? অহিং অসি অমা থেংনরো।

—ঐ চৎখিনবা তৌরগে।

—চৎখিবা য়ারোই, বা লোইদ্রি।

—করি হায়নো ?

—ঐগী ট্রেনিং নুমিৎ মঙানিদনী। ঙরুকনি শুবা নুমিত্তা রেলবে স্টেসন্দা ইবানি থেংনসি অদুগা চৎলসি। মানা ইঙক ঙক্না হংলকই "কদাইদা ?"

—ঐখোয়দা।

—করি তৌবা ?

—লুহোংদুনা লৌরগদবা !

—করিগী ঐবু করেম্বীরি ? ঐ কনানো হায়বা নং খংলবা নত্রা ?

—খংবদুননি হায়রিবসে। ঐনা ব্রাশল্লিবসিনি পুন্সি চুপ্পা ঐ নংবু থাদোক্রোই।

মা ব্রা ঙাংখিদ্রে ঐঙোন্দা শংত্রিক য়েংদুনা লৈদ্রে।

ঐনা মখা তারুই

—শকখংদবা লম্নানবনী হায়দুনা চিংনরিব্রা ? মদুগীদি নংনা অপাম্বতা তৌসি। কোর্ট মেরিয়েজ তৌসিরা ? অহল-লমন খংহনসিরা ? ঐ ইয়া-য়াই। নত্রগা নংগী 'হোম এড্রেস পিরম্মু মুমদা হেক্তা চৎলক্লগে।

অদুগা হয়েংদগীদি মহাক মপান থোক্লগন্রু। ঐগী পুন্সিগী লোইনবী ওইগদৌরবনিনা হয়িং লাবা কাওবা তোংহন্নিংদ্রে।

অহিং অদু মিৎ কক্না অমা ক্ষাওবা উইশিন্না মাখিদে। মাসু তুমখিদে। নোংঙাম্লগা মহাকে অদুম হনখি। ট্রেনিংদুদা ঐ কম্না খোংজংদ্রে মাবুত্তা লাইনিং ওইদুনা লেরে। তেম্লবা নুমিৎ মঙানিগী মতমদু চহি মঙাঙম থনম্রে। হক্লেংদি, মাগা উনরম্লনি খললুবদা থম্মোয়সে তপথবা য়ারবক্রে। মাগী মনাক্তা তঙনা চিংশিন্নক্লে। মোক্তুং কম্না শাম্নরে। নোং ঙনগদৌরবনি অদুবু

ভাইজনত্রে। চৈস্নি অমা ফারগা মখোয়গী মযুম তামা চৎলে। মতমদু পুং ৬ মুক্তা তাদ্নি। ঐনা চংশিন্দুনা লৈরম্বা অহল অমদা হংলুই।

—মসিবু সবিতাগী মযুম নত্তবরা?

—মানি।

—মাবু লৈব্বরা?

—লৈতে।

মতমদুদা সবিতাগা শওং শদা হায়রপ মাহ্রী অমা চংশিনলকত্তুনা হায়রকই,

—গুড মোর্নিং দাদা।

—ঐসু থুমই

—অদোম মনিপুরদগী ঐগী ইচেগী মরুপ!

—হোয় মানি। নচেবু .... ?

—মরুম পুমমক ঐভোন্দা লোইনা শিমরমে। মনুংদা চংশি ভাইহাক্তা ফম্মীখো।

মহাক্না চাগা লোইননা চানমম্বা মখক-মখক পুক্না চংল্লকে।

—ঐ অমত্তা চানিংদ্রে, নচেগা উম্নহল্লু।

সোফাদুদা ফমথরগা চা থক্লা-থক্লা ৱারী তৌরকই। ঐখোয়গী ইচে মতম থরগী ওইনা য়ুম থাদোকত্তুনা দিল্লিদা চৎখ্রে। মানা ঐভোন্দা ৱারী তৌবদগী অদোম কনানো হায়বদু খংজরে। করিগুম্বা নহাক্ লাক্লবদি পিথো হায়দুনা চিঠী ১ শিমরমই সে।

চিঠীদু পাথরকই, অসুম্না ইরম্মী।

গুড মোর্নিং দাদা।

ঐগী থম্মোয়দা মঙাল অমা অদোম্না পীরে। মতম অমদা ঐনা অদোমমাই নুপা হায়বা জাৎসিদি মীনুংশি লৈতবা শাহিং চাবা শাওয়নি, নুপীগী অচেংবতবু ভায়বনি, নুপীশিংবু থৎ-নৈরগতা সেন্দ্রবনি, নুপীবু ইকায় খুম্নবিদে। অদুগা ঐবুসু কনা তমম্বনা গুম্ব হাংনা থাদোকপিরকখিদ্রি। অদুবু নহাক্না উৎপিখিবা মীনুংশি অদুনা মীকপ থোকহল্লে। নুপামিংগী মরক্তসু চীংজাওবগুম্না, অচৌবা উপালগুম্না থাওরি হায়বদু থংজরে। মতুংদসু শোকখজোরবা নুপী খুন্নাই অসিবু কনথংপীনবা খোৱাং অমদি খোদাং কয়া খোৎথংপিরকনি হায়বগী থাজবা থমজরি।

অরোইবদা হায়জনিংবদি "নহাক্কী চপ্পাগী ঈচেলদগী হেন্না শেংলবা থম্মোয়দুদা, ঐহাক্কী বরুণাগী ঈচেলগুম মোংলবী থম্মোয় অমগী ইহিনকম নত্তে"।

—সবিতা—

